অকোংবা :—

ইউ : এল : এ :

খুরাই লমলোং কৈথেল,

কপী. ৫০০

১০ ফেব্রুয়ারী, ১৯৮০

কে, ধীরেন. জেনরেল সেক্রেটরি ইউ: এল: এ: না
লোওমাংথাবা প্রেসতা নম্লগা পুথোকপা

হিরম লমাই



ৱাহৈরোল শরুক

কুমৈ: কুম কয়া পুথুনা লৈরাগুম্বা লেংলবা, উৱোং খিন্দুনা থম্লবা হর ও তয়াম্বগী থেংদোক কয়ান, মীওই পুন্সিগী কিৎহৎ-শাজং, লাইনিং-লাইশোন, চৎনব-লোনচৎ, নাংতাংলুং, ৱয়াদু শাংগোৎচুনা য়েক্লৈ চৈনদগী মীরোল কয়া শক্লবা মীওইগী হরাওবগী বদা লেঙ-ল্লী। অদুবু ঙসিদি (১) মশক মমিং চুম্ন লৈজরিবা কুম শগ অমদি মমিংতমক থানবা, খঙনবতা ঙাইহোৱে। বপ্পা মতমগী বুমৈনা করম তেংনশানে, শরম্বা থাদ, কুমিত্তা পাংথোক্লম্বগে হৈংলক্তা য়াই কনবা, নিংথৌগী য়াইফনবা কুমৈরা হায়বা ফাওবা মাং শাংমিতমক ঙাইহোৱে — মুৎথিগদোংনে হায়বা ফাওব য়ারবনি। (২) বৈষ্ণব ধর্ম্ম, অতোপ্পা লাইনিং লম্বীগী ইথিল অমা লাকখিবদগী অতোপ্পা মীরোলনা মীহুৎ শিন্নগা পা থোক্লিবা বুমৈ তমিচলা মীওইগী ওইবা কুমৈগী চপ চাবা মঙং মতৌ অদুদি লৈবি। (৩) মনিংদু বুমৈদু চপ চানা লৈজরিবা কয়ামদনা ঐখোয় রূপ মশেল কাংলুপ মশেল য়েৎ-শিল্লকখনা, অউবনা থুবাক খুছুনা য়েংলি থুদম— চৈয়াউব, বাকচৌদা, শজিবুদা ...। অসিমক রূপ অসিগী লাইবক থিবানি হায়দনা ঙমোই।

অদুবু, চহি ২০০ মুক্তা মতুংদা ২০ শুবা খুক্তগী চহিচ। থসি-দদি রূপ অসিবু হুংশিজবা মীরোল কয়ানা মাইকৈ কয়াংরুমদগী

তোংনমিথ্রহুনা অশেংবা মশক, অচুম্বা কয়া অসিদি পুথোক্লবা তোংনবক্তি। মপোমদা শগুলেন অসিনম্ন মল্লক মচা অমগুং লৌগুনিংলুবদগী ওসিদি মীতৈগী হরাও কুমৈ সেমিনার অসি পাংখোকচক্লবনি।

মীতৈগী হরাও কুমৈ করিগুম্বা হায়রগা মীয়াম্না খল্লরম্বনা রাধা-কৃষ্ণগী শায়োন কয়া, নিংজবা কয়াগী মপাল তাংনা ভক্রশিংনা পাংখোক্লবা জলোন, কাং, কৃষ্ণ জশ্মনচিংবা কয়ানা, অহুগা মশা হায়দোকপনা লৈরিবনা "মহাদেবগী ইমু-মনুং" — মনিপুরগী চীং কাবা য়াওনা হরাও কুমৈ পুম্নমক "মহাদেব" দা অহু নত্রগা তুর্গা গী থোম্না শায়োল কয়ামদা মপাল তাংগম্মী। মীতৈ অচল-লমন খরনা চিনফা পুনরিবা রাইনা—"মীতৈগী লাইহুঁশি য়ামগ্রপোৎনি, হরাও-কুমৈ অসি থা কাংদে থাং লাকপা ওমপোগ্রে।" খওম্বগী হায়বনি লোইনমক অচুম্বদি নত্তে।

ওসি ফাওবদা মীতৈ হরাও কুমৈ মশিং কযানো? করি-করিনো? করম্বা খাদ, চহিদা পংাথোকই? করম তৌনা, করি লাইশোল, করম্বা লাইবু নিংজরগা পাংথোকপগে হায়বগী মরমদা ওম্বৈ গি দোক্লগ থম্নম্বা তাযবদি তুংদ লাক্কদৌরিবা মীয়োলনা মীতৈ ঐথোয়্গী লচং শাজৎ লাইনিং-লাইশোলনচিংবা কয়াদ ইশাগী ওইবা অচুম্ব', অশেংবা, মশক অহু খওবা ওমজহৌবগনি।

হায়রিবা ব খল অসি খঞ্জবদগী নৈন-চে অসি ইবিরকপা শক্লাইরবা মাইগৌ কয়াগী কুমৈ 'সি নোনা হিঙ্গৎহম্বগী পাম্বৈ কয়ানা তাঞ্জবনি অহুবু মতম লৈখিদবনরা, উক্রোং হোংবগী নৈন-চে নম্বনা

অতৈ মাইচৌশিংনদি শিপ্প-লাংজরিবা ঐখোয়রোমদা শিন্নবিরমান্নে থগৈ।

হৌজিক ইউঃ এলঃ এঃ না পুখোকচরিবা অসিনা মীতৈ অয়ানবা কাওখোক্লকবা মশক নাইরবা কুমৈ কয়া অসি (১) ভারতকী ওইনা পুখোক্লিবা কেলেন্দরদা, মনিপুর লৈবাক্ত চহিগী ওইনা পুখোক্লিবা কেলেন্দরদা, লম্লাই লুপশিংনা পুখোক্লিবা কেলেন্দরদা য়াওহনবা তকশিনবা (২) মরুওইবা মশক নাইবা কুমৈগী পোষ্টেজ ষ্টাম্প পুখোকহনবা হংশিনবা (৩) কুমৈ অসিগী অশেংবা মহৌশাগী চংনবা মখো, মশক মওং কয়া অদু পুখোক্লবা হোৎনবদা লাই য়েকপা অমসুং অইবা কয়ানা অৱাংপা কয়া অসি মেনখৎপিনবা নিংশিংবা (৪) অয়োইবা ওইনা অশেংবা মশক থওলবা কুমৈ খর অসি মীয়ামনা পাংথোকপিরবদি ইরাই-লাইনা হিঙ্গংকনি।

শিপ্প-লাংজরিবা শওলেন অসিনা নিংজরিবদি ঙসিগী মরুওইবা কুমৈ তরুকমুক অসিগী নৈন চে কয়া অসি নৈনবিরগা অমসুং অখও অহৈ কয়াশিংদগী অনৌবা রাখল লংজিন কয়া পুখোকপিরক্লুনা মৈতৈ হরাও কুমৈদা, কেলেন্দরদা, চয়েংননা লৈরিবা অমদি খরমখৈদি চুনখোকপা ভমগদ্রা হোৎনজরুবনি।

কেঃ ধীরেন
জেনেরেল সেক্রেটরি
ইউঃ এলঃ এঃ মনিপুর

ইম্ফাল
দিসেম্বর ২, ১৯৭৯

খ্রা. হৌদোক

মীতৈ হায়বা ফুরুপ অসি চহি লিশিং অনিরোমগী পুৱারী (ইতিহাস) লৈরবা মশাগী তাপ তোপ্প কন্নবা অমসুং মপুঙ ফারবা শ.ব স. মনাং অমসুং মবেক লৈরবা ফুরুপ অমনি। চহি নিফু মুক অসিগী মনুংদা ফুরুপ অসিন মশাগী তশেংবা মশক থন্নবা লাক্লবি। ফুরুপ অমগী অশেংবা মশক থন্নবা লাক্লবা তারবদি ফুরুপ অদুগী পুৱারী অমসুং মনাং অদুগী অশেংবা মশকধম থন্দনা ঙাক্লে। করিগুম্বা তককুবা ফুরুপ অমগী নাংকী চৌরকপমদি ফুরুপ অদুগী হৌখিবা মীওইশিংগী মচু তাবা অরাংবা থাকী বাখল অদুনী। অরাংবা বাংলাশং অদু লৈকাইবা মং অদুগী ঈশিং তুংশং অমসুং অইং অশাগী মও মতৌ ইন্দুনা অদুগী ওইবা পুক্সিগী অৱা তুপ্তাইগী চৌরম করাদ হায়বদি অগোই ইটৈ, লাইমেক লাইথোং লাইরিক লাইগু শান্ন থাংনবা, চোন লোনচং, লাইনিং লাইশোন অসিনচিংবা করাদ ফোঙ-দোকই। সম্ম হায়রবদ, নাং হায়বাস ফুরুপ অমদ লৈরিবা থুম্নাই অদুগী অপুনবা মচু তাবা পুনসি থুংতংগী মশক অদুনি হায়বা যাই। ফুরুপ অদুগী নাংকী মশক থন দোক্লবগীদমক্ত থুংাই অদুদ লৈরিবা মীয়াম অদুগী হরাউ কুইমগী মশক অদুম শেংনা থন দোক্লবা যাবক্লে। মরম অসিন, মীতৈ লৈবাক থুম্নাইগী হরাউ কুইমগী মরম লৈনবন ফুরুপ অসিগী নাংকী মশক ফন যাম্ম ফজন থন্নবা ঙমগনি। মদুন অমুক, ফুরুপ অসিমকী অশেংবা মশক থন্ন-বদ যাম্ম মতেং পাংগনি। অরাব অমদি খৃস্তগী ১৮ শুব চহি চাদ হিন্দু লাই-নিংগী অকনবা ইথক ঈপোম অমন ফ্রুজিল্লকখিবন মরম ওইদুনা চৌকিক্তি ফুরুপ অসিগী হান্ন লৈরবা হরাউ কুইম্ম থরম পুমসি শিথে, যাম্ম কম্ম থিজিনবা মীওই থম্ম নত্তনদি অযাব মীন লৈরম্মী হায়বা যৌন কাউথোক-খ্রক্লে। অদুগা অতোপ্প থরম, হিন্দু লাইনিংগী বাখল অমসুং হরাউ কুইমগ তোংশিন যানশিন্নখিবদগী অথন্নবা মীওই থম্ম নত্তন মী অযাবন

ফুরুপ অসিগী মৈতৈরোলগা লোয়নবক্কুকুব মশাগী ওইব মচু তারব বাথক্লোন্দ খুমফম ওটব মচা'ক য়াথিরি হায়ব য়েন থঙ্গিল্লক্লে। অসিগুম্ব কাচশি-ল্লকপ থংজিল্লক্কুব তামসুং চৈনবকপ অসিন মরম ওইদুনা লোংমা'দ ফুরুপ অসিগী মীওইশিংন মশাবু মশানা মশক থঙ্গলক্লোইদবগী তাঙ্গক অম ফাওব লাক'ন য়াম্রি হায়ন পুক্লিংদ অকিব ফাওনরক্লে।

ফুরুপ অসিগী মশক তাকচরম্ব হরাউ ফুম্ম কয়া লৈরম্মী। হাদম ওইন (১) মেরা হাউচোংব হায়বসি অমনি। হরাউ কুম্মৈ অসিমক মীওই হায়ব ফুরুপ অসিগী লৈতাক পুরারীগী শাগোয়ন শারব লৈবাক 'নংথোংগী ওইব কুম কুমগী মেরা থাদ পাও থোকপ কুম্মৈ অমনি। অদুবু গৌরজিত্তি কুম্মৈ অসি লৈরম্মী হায়ব য়েন কাউনরক্লে। কুম্মৈ অসিমক্তি লৈবাক অদিন মনিং তংলিক্তদ লৈবাক নিংথৌন কংলাদ হেনথদব অম ওইন পাওখোনখ্ব কুম্মৈ অমনি। কুম্মৈ অসিগী মরম লৈনবন মমাংদৈ মতমদ চৌংগ তমগ লৈন-খ্ব মরী, লৈবাক অসিগী লৈতাক চমদৈ অমদ চংনবাগী মরমদ অশেংব মশক থঙ্গনব লাক্কবদ য়াম্ম মতেং ওইগনি। (২) মেরা মেরা থাং হায়ব-সিনু মেরা থাদ মেক ৭ কী মীচৎ অমদি লৈবাক নিংথৌন পাও থোক্লম্ব লাইনিংগ মরী লৈনব থোরম অমনি। কুম্মৈ অসিবু লৈনবন হিন্দু লাইনিং লাকাত্রবগী মীওইশিংন চৌংগ থাগুম সনামহী অমসুং পাখংবু লাৎনরম্ব অমসুং নিঙ্গনরম্বগী অশেংব মশক অদু থঙ্গবদ মতেং ওইগনি হরাউ কুম্মৈ অসিমক্তি মৈদিংগু ইরেংবগী (খৃঃ ৯৮৪ ১০৭৪) মতমদ ঈ পে পাখংবু সাইব লী কাংথক্ত মেরা মেন তোংহনবগী বাফম অমিব লাইহরক্তনু থেংনৈ। কুম্মৈ অসি চহি ১৬ রোমগী মমাংদ সনামহী লাইনিং চংপ কাওলুপ অমন শিন্দুনা লৈবাক মীয়াম উবিখরনি। ৩) টংখোং থাব হায়ব-সিনু হৌজিক্তি অরিব লাইরিক লাইশু লৈনদব মীওইশিংনা নবপ মথলগী হরাউ কুম্মৈনো হায়বদু থঙ্গবদি লাইথুম্নুনা মনিং ফাওব তানরবনি। অদুবু কুম্মৈ অসিমক্তি মীওই অয়াম্বন হিন্দু লাইনিং লৌথোক্লবগী মমাংদদি উ

হোঙ্গ্র অতুগ কোন্না মমৈথংদ মৈদিংগু পাইখোম্বন পানব মতম অতুবাইদগী উক্রোঙ্ হাংব হায়তুন কংলাদ পাঙ্থোকলম্ব অচৌব কুম্মৈ অম ওইরম্মী। কুম্মৈ অসিগী অকুপ্প থোৱমশিং নিংশিংবন চীঙ্তম অনিগী মরক্ত লৈনরম্ব নাংকৌ নক্কব মরী অতু পুরকপ ঙমগনি অমসুং লাইনিংগী লম্বীদ শিরব ভূগী পুনসিগী রাঙ্ রোল কংব ঙমগনি। (৪) লাই কৈথেল কাবা হায়ব কুম্মৈ অসি মামং ওইন হায়ফেৎ ভানরবসু অশেংব মশক অতুদি অমাঙন থঙ্নদ্রি। অসিমাক্ত হৌজিক ফাওবদ থোৱম অসি য়াম্না পিকশিনব মওংদ শতুম চৎশিরবনি। হিন্দু লাইনিংগী হরাউ কুম্মৈগী কুযোম্ন মৈদিংগু চীংথমখোম্বগী সনা হাক্তক্তগী থান য়োমশিনখিবদগী মসিগী অশেংব মশক অতু ডগিদবনি; হলগার হায়ন মীয়াম্ন পোইন হেন্না থঙ্নখিবনি। লৈবাক্কী ঙমদাই থোৱমগী ওইব হরাও কুম্মৈ অসিবু নিংশিংবন মীতৈ খুন্নাইগী কাঙ্লুপ খুদিংন চেৎন চান্না লৈনরম্বগী অমসুং লাইনিংগী অশেংব মশক অম পীবদ য়াম্না হেৎনা শাকগনি। খুন্নাই অমগী পুন্না তিংমিন্নবদ চঙ্দব য়াত্রব পুন্না চামিন থকমিন্নব অমসুং লৈবাক্কী য়াতিফনবগীদমক্ত রাশক বারেপনবগী থোৱম অতু কুম্মৈ অসিদ ফঙন য়াওই। (৫) চীঙ্গোই ঈকপ্প হায়বসি থৌবদি হৌজিক ফাওবদ কনানসু কাউনদ্রি। চহি খুদিংগী লমদ থাদ কুম্মৈ অসি পাঙ্থোক্লি। অতুবু মনুংগী ঈচেল অতুদি কাউথোক্লরক্লে। হিন্দু লাইনিংগী শেমথেংন কনখিবন বারুনী মহাদেব থুকথ রোমদন হেন্না মরু ওইন থম্লে। হায় লৈঙ্গরম্ব ফুরুপ অসিগী পুবারীগ শাগোন্নরব অশেংব মশক অতুদি কাউনরে। অশেংবদি ইনিংথৌ চন্দ্রকীর্ত্তি সনাহাক্তক্ত লংমাইজীংগী চীংজাউদ হিন্দুশা লাই মহাদেবগী থুবম শেমখিবদগী বারুনী মহাদেব কৌখিহুন কুম্মৈ অসিগী অশেংব মশক অতু মাঙ্হনখিবনি। কুম্মৈ অসিগী মরম লৈনবন মীতৈ ফুরুপকী অশেংব পুরন্নী অমসুং লাইনীংগী অশেংব মশক পীবদ য়াম্না মতেং ওইগনি। (৬) চৈরাউব হায়বসি মীতৈ ফুরুপকী অরিব কুম লোইখিহুন অনৌব কুম অম হৌরকপগী হরাউ নুঙাই ফোঙ্দোকপ পাঙ্থোকতব য়াত্রব হরাউ কুম্মৈ অমনি। করি অমুক হায়গনি

মুক্তাইবন চৈরাউরে হায়রিবনি । অসিগুম থৌরম মুশিং অসি হিন্দু লাইনিংগী "চরক পূজা"গী মুমিৎক নোংমতদ পুনশিনক্দুন পাঙথোক্লখি। অদুবু ঐখোয়না অখিব লাইরিক লাইশু কয়া নৈনদুন যেংলবদি কুম্মৈ অসি চরক পূজা মুমিত্ত পাঙথোক্লিরিবগী মমাঙদ শক্তিবুগী নোংম পানবদ পাঙথোক্লবগী খুদম ফংগনি । ঙোক্তিক্তি সনামহী লাইনিং চৎপ মীশিংনা কুমগী লাকয়েন পাইবগী থে থম অসিবু শক্তিক নোংম পানবদ পাঙথোক্লবনু চহি ৩০ রোংগী মমাঙদগী যাম্নরে। অদুবু মীওই থবন বাকচাংদ চৈরাউদগবনি হায়বনচিংবস্ত যাওনরি । থৌরম অসিগী ঈরাং থৌনি, চাকথা লুকথা, লাইশোন ইনশোন অমসুং শিনকৎ লাইকংশিং অসি নৈনদুন যেংবদদি কুম্মৈ অসি মীতৈ ফুরুপকী থাইবা হরাউ কুম্মানি হায়বসি দ শেংলবনি । অদুবু কুম অমগী করম থাগী থাবান্দ চৈরাওগদবে হায়বসিদ চৈনবা অম লাকহল্লে । মরম অসিন হিরম অসিদ কুপ্ন নৈনবন অশেংব থাগী থাবাল থঙহনগনি, লোয়নন ফুরুপ অসিগী মমাঙ্ঙৈগী মীরোলন লোংথোরোলগী মরমদ কয়া য়াম্না হৈ শিংলবগে হায়বসি থঙহনব ঙমগনি ।

মথক্ত শীংথাখ্রব মরম কয়ামুক অসি লৈব মরম অহানব ওইন মথক্তী হরাউ কুম্মৈ ৬ (তরুক) অসিদং লৌশংচবগ লৈনাক্ত শকথঙনবব মায়চৌ ৬ (তরুক)কী মফমদ, হিরমশিং অসিগী মরমদ কুপ্ন নৈনবিরগ লৈন চে ইবিয়ক্লব অমসুং পাথোকপীনব হায়জবা । এসোসিএসন অসিন হায়জক্লবদ হরাউ হরাউ যাবীরকলিব ম'য়চৌশিংগী মফমদ শিংব ঙমলরোইদৌব লমন তোনশিনজয়বনি । অদুগ অসিগুম্লব মায়চৌশিং অসিন, মীতৈ ফুরুপকী অশেংব মশক থঙগে হোৎনরিব মীওই পুরনকী মফমদ মমল যাম্লব থুদোন অম তৌবিয়বনি হায়ন লৌচৈ ।

দিসেম্বর ৬, ১৯৭৯ ইং

সাইরেম নীলবীর
অরেংব "মতমগী খোঙথাং"
ইউনিভর্সেল লিতরেরী এসোসিএসন

চহীগী ওইনা পাংথোকপা কুম্মৈ

"চৌঙ্গোয় ঈরুপ্পা"

ও, ভোগেশ্বর

লিরা মাইবম লৈকাই।

চৌঙ্গোয় ঈরুপ্পা, মৈতৈ ফুরুপ অসিগী লাইনিঙ লম্বীগা মরী লৈনবা থৌরম কয়াগী মনুংদা অচৌবা থৌরং অমনি। মসি চহী অমগী মনুংদা অমুক্তা থোকপা অচৌবা থৌরম্নি। অদোম্নমক চৌঙ্গোয় ঈরুপ্পা হায়বা বাহৈ অসিনা ঐখোয় খ্বাই তবাবু চম্মর-হনবসু পে ক্কবা নত্তে মরমদি ঈরুপ্পা হায়বাদ ঈশিং মনুংদা হকচাং পুম্মক্কা লোয়রনবা নিং. নাকোং, কোকলু য়াওনা কংগুম্বা মরম অমগী নত্রগা ঈশিং মনুংদ কুইনা লৈবা ফাম্নবগী মওংবু ঈরুপ্পা হায়না খঙবৈ। হন্দক্কা পাম্রিবা বাইহাসগী মনুংগী বাখল্দি ইচম-চম্বা ঈরুপ্পা অদুবুদি নত্রে হায়বাস মমাংগী বাহৈ "চৌঙ্গোয়" হায়বা অমা পল্লিবা অসিনা চম্না ঈরুপ্পবুদি নত্রে হায়বসি খঙহল্লি। অদুনা বাহৈ অসিমক হিন্দু ধর্ম্মগী বাহৈ "স্নান" হায়বদুগী বাহৈস্তোক ওইনবা লেম্বা ওইনা খনহল্লি।

চহী অমগী মনুংদা অমুক্তা থোকপা মৈতৈ ফুরুপকী ওইবা অচৌবা থৌরম অসিগা মরী লৈননা চৌঙ্গোয় কোবা তুরেল মচাদা চেল্লিবা ঈশিংনা ঐখোয় মৈতৈদা কয়ামুক কাম্নবা ফংগদৌরিবনো হায়বা বাফমদা মতেক খরদং লৌখচ্চরি।

ঐখোয় মৈতৈ ফরাপ্তা নত্তনা হিন্দু ধর্ম্ম চংপা মীওইশিংসু য়ুমকৈ শেংবা, পোৎ চৈ শে দোকপা, ন্থপী নগাশিংবু মচা পোক্লুবগী থা ৩ নক্তুগা ৬ তা মশা শেংদোকপিবগী থৌরমদা মার্জন মন্ত্রনা অশেংবা ঈশিংদু তুলশি মনানা লূপ্লগা চাইথোক শেংদোকই। মতৌ অদুগুম্না ঐখোয় মৈতৈ ফরাপকীসু ঈরু লাইশোন্না। তাইরেল মনা পুংফাই নাপী কৌবা জাৎ অমগনা অশেংবা ঈশিংদা লূপ্লগা শেং-দোক-চাইথোকই। মসিনা ঐখোয়গী পূক্লিংবু তশেং তশেংহল্লি! তৌবমক্তি থীক্লিবা ঈশিং অদু ঈশিংগী ঈশিং অন্মানি অদুবু লাইশোল (মন্ত্র) অদুনা ঐখোয় মীওইবগী লাকউন ফাওমদ্রবা পূক্লিং অমসুং হাথলবু তশেংনা য়াম্না চংশিন্না থাজবা পোকহনখিবনা তশেংনমক শেংলে হায়বগী হাকমদা পূক্লিং লয়ত হল্লি।

মথক্তা পঙ্খিবা হিন্দু ধর্ম্মগী মার্জন মন্ত্রদিঃ— "ওঁ জলবিম্বায় বিদ্যুৎমহে ধিমহি পুরুষায় তন্নো নঙ্গো প্রচোদয়াৎ" অসিনি— লোয়ননা মন্ত্র খরা শাংনা শোনবদা গঙ্গা, যমুনা, কাবেরী, সিন্ধু, নর্ম্মদা হায়বা তুরেলশিংগী ঈশিংনি হায়বা হাকম পুননবা শাংথবা মন্ত্রসু লৈরি। অসিগুম্বা মন্ত্র অসিনা পীরিবদি ব্রহ্মা, বিষ্ণু, মহেশ্বর অদুমগী শক্তমবু মহুৎ শিল্লিবা অ উ ম্ হায়বা ময়েক অদুম্না পূল্লগা থোকপা ওঁ অসিনা তেংবানবগী মপূগী শক্তম ওইরগা মাগী মতিক ময়াই অমসুং মঙন্দগী থোকপা ঈশিংগী মরীক অকুপ্প-শিংনা পূল্লগা ওইবা ঈশিং লৌক্লাশিংনা ঈপাক অচৌবা ওইরক্লবা ঈশিংনি হায়বগী লাইশোলনা হৌরি। অসিগুম্না মৈতৈ ফরাপ

ঐখোয়গীস্থ লৌখংপা তারবদাঃ— "হা উং হা য়েং, কোয়ৌ মচিয়ি, য়াংবল মনৌয়ি, থাকপা পুইরেয়োম্বা চীংঙ্, পুয়াং নাকাবা, খোইয়ম খোম্মা লাংঙন তোয়বা, খোম্মা লাংঙল হলবাইবা, পিথ্রাইবী অশেনবী, খোমস্রাইবী অশাবী, লৈরিকপী লৈরিকপা, শনখোম্বী শনখোম্বা, ওইথাংঙ য়েংথাংঙ, উঙকঙ হাপচাঙ লীরিঙ লাফোংঙ লেমা য়োইরেন তোমপোকপী, নিংথৌ চারনবা, কোংয়াং বাত্রৈ শিলহৈবা, পাগেল উত্রাই শিলহৈবা, হুমিং লুতুম হৈবী থবা ঙান্দম হৈবী, অশেং-অরূবদ কোয়ৌ মচি শেংখচেনয়ি য়াংপল মনৌ ঙাই-রেংয়ি থৌকুবা খুৎতময়ি য়োহনবা খাইতময়ি শেংলোই লুবাংয়ি কম্বোং নাবোংয়ি তাক্স-লৈরোংয়ি কৌক্র য়ারক্তগী শিস্থরি লানবি শেনয়ি লোনলোই শিঙথা, শিঙথা খন্দোময়ি লম্ফেল শোয়কপ য়ি লাইদা ঈরীকলাই শেংথোইবনা ঈরুরবনে শান্দেংলবনে পাসনরগে শেংন-রগে হা উং হা য়েং লাইগী লাইশেং থানবী পিকলেন খোমপুং হাংবীনা মপারী লয়নূং থিক্রি য়িরানবনা কমপোং ঙাথিববু লাক্তরে হায়না নুংশি খোয়বুং হোৎনা নোংহামখেম চীঙ্গোয় নারলয়ি, থৈয়োং চুম্বা লোকচাউ য়ি লাইজা ঈরীকলাই শেংথোইবনা ঈরুরবনে শান্দেং-লবনে;" ঈরু লাইশোল— অসিনচিংবা মখাদা লাক্তদবা লাইশোন্দা লাইফম অরুবগা কোম্নবা ঈফূৎ থোকপা অমদি খাখোং লাইখোং মরোংখোংনচিংবশিংগী ঈশিংবু মরীক চুম্না চুম্না পম্নগা খীক্তোক-চাইথোকই। মসিমক্তনা শোনখিবা লাইশোলগা ঈশিং অদু ভাইরেল পুংফাইগী মনাশিংনা হেক হেক খীকপদা ফত্তবা হৌথিবা পূম্নমকপু

শেংহল্লি। অস্নুম্না শোদোকপগী লাইশোন্দা পল্লিবা ময়াম্না ইশিংগী মবমদা থোইদানপা রায়োলগী শৈথানা লৈতেলি। শৈহেক শৈথাদা মখল মথেলগী শৈখারিবা ইশিংসিমক থায়নগী ইপা ইশিংনা লাইজা ইশিং দি য়াইবী হায়র্বানি হায়নবি। থব্রায় ৫গী মনুংদা মংক ও থকপা মপু ওইনা পুরিবা হ র স ময়েক ওদি হ দি নৈনি র দি ইশিংনি সাদ ন্থ শিংলন ওবনা পাকই। অতুনা ব অ'স থবায ৫গী মনুংদা অচৌবা শরুক য়াদিবা অতুগী শরুম ওইবা মবম্না অহল লম্নমাশিংনা লাইজ ইশিংদি যাইবা থর'ইনি হায়নার। খদম ওইনা পনবা তার-বদা অকংবা নাপীদি চোত্তে মচা থোক্রে অতুনা মথবায় য়াওদ্রে হায়বা থওহল্লি - অশ বা নাপীদি অচোংপা হায়ববি মচী ইশং য়াওবা মবম্না অতি বা ওইনা লোনম্না। অ সমকুনি লাইজ ইশিং দি য়াইবী থবাযনি হায়বিবিম্নিবা। অদুগ থক্কী লাইশোন্দা পল্লিব, চাঙ্গোয়গী ইশং হ্বায়না থওনবিব নংমাইচা চী জ উগী নোংচুপ থংবা চীংমায়গী অৱাংথংবা নমলোন্দা নৈবা লোকচপুগী হৌরকই। অসিগুম্বা নোংমাইজিং চী জাওগী ময়াম্না থওনবিবা স্নুরং অমদি চী জাও অসিগী মবমদা নোংমাইজিং চীঙ্গোইবোন্দা মথাগী অস্নুম্না পল্লিঃ— "খোইযম লাইয়িথে শেলোই চীমাপা লংমাই নামুংপা কোনখৈ অতামপা অৱাং অথাম্না অচৌপা লংমাই নিংথৌ কায়নৌ চীংশোম্বা শেলোই মকাইফম লংমাই মখনেৎ খোইয়ম লয়পুংথোন অৱাংপা ইরোক লাইচম ৭ মা চীংশাং নাপোম ৯ শুবা শেলোই চীংয়াচাউ মণ্ডল ওবং ৱাংপচী লংমাই লংপচীমাওল শেলোই অমম

লয়শালোক লংমাই হান্না শাবা চীং চী লেন খূংলামখ'ন লংমাই হাকবরা হাদ-চী, শেলোই নীক্কবরা নীক্ক চীং তেংনৌ য়োংপি হুইখাচী, লিবেন পানা ফনপাচীং লংতাই চী,ন্নুংশি নোংখল চী, মভোন য়াৱা নাপুপী চী, কোনথাং তনৌবী চীং লোক্ত, খোমতুনা লোকলেন লাননেমনা শেম্ব চী, পেরুক পেন্নাইনা শেম্ব চী, শামপা থা তোংনা ওউপচা, মন্থ শুনপচী, মমৌ উনপী চীং চীংড, লাইফম হ ভদবা চীংনে।" নোংমাইজি চীঙ্গোইবোল লাঃ ১

মতে, অস্থম্না চ , অসিগী অহানবা শেম্নকপা অমস্থং চী, অসিদা লৈবা লাইফমশিং শুনা লৈ হাযবসি মথক্কী মফম অসিনা মযেং শেনা তাকই। অতুগা চী,জাউ অসিগী অচৌবা স্থুরুংদগী চেস্থবক্লিবা ঈশিংগী হৌরকফম স্থুরুং অসিবুনা মথাগী অস্থম্না শৈথাবম্মী।

"শেলোই মথলনা লংমাই মথলমাতি খোইয়ম লাইয়িংথৌ অভৌপা লংমাই নিংথৌ কায়নৌ চী শোম্বনা মশানৌ ৱাঙ্গোন লাইন্নুবা অংথেংবৈবু লাক্কবরা হায়না ভাইবমযে। অদ্ধনোংকিপু ভাইবোং চীংনাচুংও তৌনা কৌএ"

নোংমাইজি, চীঙ্গোইবোল লাঃ ১৩

অস্থম্না চেস্থবক্লিবা ঈশিংগী ঈরোক ঈশেংগী তুখুল অসিবু অমুক চীঙ্গোয় নারলয়ি হায়না কৌরকখিবগী বাফম লৌথিবগে—

"লংমাই মথলমাতি চীঙ্গোয় নারলয়িও কৌবদি কদোনোংগীনো। স্থুংবাল হোঙনেম লুবা নিংথৌ পুনশিবা মপল কৌবরোল নামোইস্থ

পায়রা। নিংনবোইগী মতাইদগী মৈথিন লো শিন খুঙ হাওকু চাবাইযাভ অয়াংপন লাইজা। য়িন্নু পুংবী থাকলেন তাংলা কাচনা লাইগা যিরাল্-লকপবু থৌরা। পীশিন তানকুম রায়থু ইপয়ে। হোডনেম লুনাংনিংথো। পুনশিপানা শেলে ইচী য়াচাউগী নুপাল মহকচং লুরাং খেংক লানা লাইজা যিরানগে হায়না নরান থোচংলকপতা তবা চেঙ মাচংপু-য়াংলৈ তাউপা ভয়না মানপা। লেকেংলা তরা চেঙ মাচংবু শানা পৈরময়ে। অতুনোংবিপ নুপা। চেঙকোইবিও তৌনা কৌরা। নাবলগী কৌপাতি নদৌনংগীনো। নুপা। নুকাংপামপাক মপারি হাওপ কোকপান। পোইরৈ খুনকুমলক রাংডম খুনতারক-পতা চকপা থৌপাল তোংপানা হায়বময়ে। নুপাল নুংকাংপা-পাও পোইরৈ কতৌপা খুনকুমলাক রাংডম কতৌপা খুনতারক-পানো। শেলোই চৌকনেন নেন লংনাই থননেম নেন থাযমা মায়োমনরকলে। নুংপান নাযিমনাকতা হলরাইখিবো হায়না। থৌথামডামময়ে। নুংপাল নুকামপামগাকা হাওবা কোকপাকান। থাঙলেন মখুৎস্তনা চকপা থোপাল তোংপাবু যানথুরে। মথিনা লাইচা য়িতা নারন-নারল চেম্থখিয়ে। অতুনোংবপ নারলও কৌপাপ্ পোইবৈ তা ফাথিপান। রাঙম হাইমন তানপান নুংপাল মুংকাংপামপা। লাননংয়ি মপারি হাওলা কোকপা। থোতোংয়ি চকপা থোপালতোংপা। কানায়ি মুংপাল চেঙকোই নারলয়ি-ও তৌনা কৌয়ে। নোংমাইজিং চীঙ্গাইরোল লাঃ ৫৩

অসুম্না থোদোকা কোম্নমা অমদি হৌরকফম অতুনা লাইফমদগী

শেংনা চেষ্টক্রবা ঈশিংনি হায়বসি মযেক শেংনা তাকলি। অসুম্না ঐখোয়গী মহৈগী লাইশোলদা মরু ওইবা ঈশিংগী চৈরকফম্বু নোংমাইজিংগী মরী লৈননা অবাং থংবা নমলোন্দা লৈবা থৈয়োংলোকী মরমদসু মখাগী অসুম্না পল্লি:—

শেলোই মতাইমা লংমাই মাখলমাকি লংমাই চীংলেন নাপোমমাতি শেলোই লৌথোয়া, থৈয়োং চুমপা লোকচাউয়ি-ও কৌপাতি কতৌনোংকিনে। য়োইপু তমপা ৱাংঙমলোন থাপী লেংনাউ মোমপীনা অঙোপা লংমাই নিংথৌ নোংপোক মাপল হুমঙইপাকা শেলোই মচীংলেন লংমাই মচীংশাংপু ইংখোলকপাতা থাপা শেংকচোংপানা থঙকানে। যাঙপা মাঙতা থানা উৱাক নে হায়না শেলোই য়িবোক লাইচমনাতা কোরো হুনিং নিনিপ তয়না নোংফাইরময়ে। অতুনোংকিপু শেলোই লৌথোয়োং থৈয়োং চুমপা লোকচাউয়ি-ও তৌনা কৌয়ে। চাঙ্গোইবোল লং: ১১

অতুগা লাইশোল আসদা পল্লিবা থৈয়োং চুম্বা লোকচাও য়িবু লাইফম ওইবদগী চেষ্টরকপা ঈশিংনি হায়বগী মতাংদা শদিং শকোক কৌবা পুয়ানসু অসুম্ন পল্লি।

"থৈয়োং লেপ্পা নোংপোক নুংগী মোইপুং অমা লৈয়ে। মফমদি থাঙবা চীংনাথং অতুদনে।" শদিং শকোক লং: ৫

মতৌ অসুম্না লাইশোন ওইনা শীজিন্নরক্লবা লাইফমগা কোন্নবা মফমদগী হৌরক্লবা ঈশিংনা ককচাওনগল্লবা, বাখল লমটৈ চংকল্লবা,

লাকণ্ডম ফাঙমগন্দবা, মীওইবগী পুক্লিং হকচাংবু শেংদোক্লবগী মরমদা অমদি লাইজা ঈশিংনা থবার ৫গী মনুংদা অচৌবা খোদাং য়ারিবা শরুক্কি হায়রবসি থঙনা ইপা ইপুশিংনা লুনা চান্না ঙৌখিনা শেংনা শীজিন্নরকই। অসূপ্পা শীজিন্নরক্লবা ঈশিং অসিগী হৌরকফম চীঙ্গোয় মরিল অসিবু অমুক্কা হন্না মৈদিংঙু নাউথিংখোং খৃঃ ৬৬৩ দগী ৭৬৩ ফাওবদা পানখিবা নিংথৌনা মচাক্লা নহা মখোং কায়কপা মশা ইনখৎলকপা মতমদা মপাবুং উরা কোন্থৌবগী বামক চৈথেং-খোলদগী ইরিল তুরেল বাংমা শেলোই লমদমদা লোন্না থুপ্না লোত্তুনা লৈখি। মতম অসিদা মৈদিংঙুদা নাউথিংখোংগী চঙজকম শীবতা নত্তনা মশা ফাওবা কথোকখ্রবী লংমাই য়ুমলেম্বম চম্বু পিত্তংঙানা নাউথিংখোংবু পুনশিগী লোয়নবা মথংলেন ওইনা থমখি। মতম অসিদা শেলোই লংমাইশিংনা হাওকপ চীংশাংদা লাল তাবা চৎপদা খোম্বিদোক্কা উরা কোন্থৌবগী মনাই নোংবাল কাদেম শোয়নঙবনা শোয় শেমহুনা লেমলৈ ঙায়াম কাহুনা লৈরিঙৈদা লানগী শারাউ-লাল্লাউ তাবদগী মুংশা থিহুনা মশাদা অফবা ঙা পুমথরবশিংহু ঙৈশিল্লগা হীপ্তুনা শিশিন্নহুনা লৈখি। লংমাইশিংনা লাকপদা কাদেমগী মঙৌ অহু উরগা মখোঙনা কাওহুনা য়েংখি অহুগা হায়রকখি। মৈদিংঙু মনাই নোংবাল অসিদি ঙোৎলেদনা হায়রহুনা মখোঙনা কাওখিবদগী মফমহুবু খোঙপিঙোং হায়নখিব-দগী মথং মথং থৈথরক্কুনা খোম্বিদোক হায়বা খোম্থোক অসি ওইখি। লংমাইগী লোন্দা শিববু তোংপা হায়, লংমাইশিংনা

হাওকপ চীংশাংদা লান চৎপ্লিঙৈদা কাদেম শোয়শঙবনা মবুংঙো উৱা কোম্বোবদা পাউদম্ন্বদগী নিংথৌনা ঐগী ইচা ইনাইদবু মথোঙনা কাওবসিদি নিংথৌ ঐবু উশিত্তবনি লাকশিন্দবা য়াদে থল্লহনা মতিক চাবা লাম্নীশিং থাখি। লাম্নীশিংহু লংমাইশিংনা হাওকপ চীংশাংদগী হল্লকপদা লাম্হেংননবা হায়হনা নাগ তুরেল খোংনুংগী অশোঙবা নাপীরক্কা লাল্লুমহনা লৈখি। অসুম্না লাল্লুমহনা লৈরিঙদ লংমাই লাম্নীশিংদি টখঙ খঙজদনা হবাউ তৱাম্না লাক্ত খোংহনা লাক্লগা নাগ তুরেল হেক য়োরকপদা মৈতৈ লাম্নীশিংনা ফক ফক হৌগত্তনা ইখঙ খঙহৌদদা থাঙগা থাঙগা চুঙগা চুঙগা য়াম্ন-থিম্নবদগী লংমাই লাম্নী অয়াম্ব মথৱাই মাঙখি। হিং-ছৌবা ৫/১০ দং চেনখি। অমুক হন্না মৈদিংঙুগী মফমদা লম্মন থুম্ননব হোৎনবদস্থ লংমাইগী মৱাইবক অফবা ওইখিদে। অহুনা মৈদিংঙুগী মফমদা লম্মন থুম্বা ওমদ্রবদা মচানিপা নাউথিংখোংদা লম্মন থুম্নবা থৌরাং তৌরকখি। লংমাইশিংনা অসুম্না লম্মন থুম্নবা মচল ওইবী পিশুংঙাগী মফমদা মথংলেন ওইবা নাউথিং-খোংবু লংমাই ঐখোয়গী খুত্তা পিয়ো মপাবুংগী কায়োং থুংকুম্নগে হায়রবদা পিত্তাংঙানা মথংলেনবু কজবা য়াননবা পান্দুম ফংত্তনা মু পীথক্তনা লংমাইশিংবু ঙাওহন্দুম্না থম্নিঙৈ ময়ক অসিদা মথং-লেনবু কল্লাং চিদাই হোগাইরগা চেলহনখিহুম্না মথৱাই কনখি। চংলমদাইগী মঙমদা পাকলোই শলাই য়েংপিখি ফংরিং হায়রক পানবিখি অহুগা মক ওইনা হয়েং পোইরৈ সনা কংলৈপুংদা

নহাক্পা নিংথৌ ফম্বাল তোংবদা মশানৌ ঐবুতদি কাউবিগনু অসূম্না শরীনত্নুনা মথৱাই কনখিবনি। অতুমকপ্ তাইব মীওইবগী পূক্নিং পূকচেল নুংঙাইরবা মতমদা ৱাখিল কয়া কাটথোকপা হায়রবসি মী ওইবগী হৌনশা ওইবনা মৈদিংঙু নাউথিংখো না থুমন্দা মতম খরা অত্নুগা লুৱাংদা মতম খরা লৈরগা, পুংসিগী চহী ময়াম ওইরক্পা মতমদা নিংথৌ ফম্বাল কাখি। মতমত্নুদা মশানৌ পিতাংঙাবু কাউ থোক্নুনা থুমন চন্নু খয়োইরোল কয়র তাংবাগা লোয়ননা কটৈ। ফম্মোক মিৎতা কানা ফম্বাল তোংবগী ৱাফমদা লৈবাক শীনবা থুংনা হায়নরকখিবগী ৱারোল তাবদা মশানৌ পিতংঙান মথম্মোয পুৱা ঙমদনা থায়নৈ মশাবীগী মথৱাই কন্নবা পান্দুম ফুৎপদা য়াওখিবা নুংত্নুম মচাশিং পুরক্পা কংলৈ য়োরকখি। অশেংবা পাউ ফংলবদা কান্নদ্রে, হায়নখিবা ৱারমত্নুবু কবম্নবু কাউপ্রবনৌ হায়না নুং মচাশিংত্নুবু লংথোক্লম্বা মফম্নু চৌজিক ফাওবা ৱাক্রম পম্থোং হায়না খঙনরি। কোনুং মপুং চঙলক্লে। মথংলেনবু উরগা হায়নখিবা ৱারোল নিঙশিংজরকবদা মৈদিংঙনা শন্নপ্পা ৱাফম্না হায়রকখি। লংমাই চন্নু নহাক্তি পালেম শিনবী ইমানি, মৈদিংঙু ঐগী য়েৎলম থংবদা ফম্বিরো হায়রক্লবদা লংমাই চন্নু ইকাইখিবনা লেপ্পা ফাওবা ঙমদনা য়ুমজাও কারেন মপুংদা লংমাই মাগী য়াইবীবা মালংলক্তা তিন য়াইবী থৱায় লাইশেংবনা কোরৌ নোঙ্গাপ্রবদা মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা মশানৌ পিতাংঙাগী লম্মন শিংবা ওইনা মাগী হৌরকফম চীঙ্গোয় নৱিল য়েংলগা কুমজা খুদিং লংমাই মাগী

লম্মন শিংবা ওইনা চীঙ্গোয় ঈরপ্পন্থুনা লম্মন শিংনবা লৈবাক্তা চাউথোকখি। ফম্বাল চেংবগী রাফমদা হায়নখিবা অত্থুগা মরী লৈনা। মখাগী অস্মন্না পল্লি—

লাইরেল বোরো ইনো থৌ তাউ-ও। হয়েং তুবী নঙনা যম্মাই নিংতা ফম্ ফলা মৈদা তোংলবদা নশানৌ নোং-পাল্লোন পীতঙ্গাপী ঐবু লাইরেল সনা নখোঙথাবু ইংদাঙ্গবকপদা লাইরেল পূকনিং বাকাউঙমগুনো হায়না শান্তিং মনিংথমপু পুন্নং কিশি থোকপিখিয়ে। চরৈ মফুবিৎপু পুন্নং হৈরু হুনপিখি। মাল্লৌ লেংহুম নাইনা ইনবিখিযে। লাপা শমচিন নৌবৈথোংবু পাকলোই শল্লাই যেৎপিখিয়ে। লাইরেল ইবুঙো তাউ-ও। হয়েং পোইরৈ রাকাউঙমগুনো। নশানৌ নোংপাল্লোন পীতঙঙা ঐদি শেলোই চীংখংশা ইন্থু লংমাই লংবা চীং অসিদা লাইবেন নঙবু ন্নুংশি পূকনিং রাকাউঙমদনা লোইতান থা শিবা লাংহৈ কুমঙনববু ঙাইজঙমগে হায়না বাহমথিয়ে।

নাউঃ ফম্বাল কাবা লাঃ ১৩-১৪

অত্থুগা পীতঙঙ্গনা নিঙজরকপা অপূম্বা থাঙজরনপা পূম্নমক অত্থু লৈরা অতিংঙা ওইহুনা অরেম্বা তারে খোইয়ম লাইহুম ওইরগে হায়না য়াইবী মথরাইনা যমজাও লৈমা ওইথিবগী মতাং অমনা—

“তুবী করি খোয়নো ওস্থোকয়ে। নোমন্থু চীংঙু লাইবক থীবী য়ামচেং কাসা চাউ, শবা তুরৈ হাঙনা হংকেন

শাশং লোয়রবী ঐদি ইপল শেলোই চীংখুৎশা। লৈমাই লংবাচীং মণ্ডল তন্ব বাংবা ইচু লংমাই অচোং য়িমলনবা মরানয়ায়দা হলরাইখিসে হায়বস্তুং শেলোই চন্নুবা লৈমাইচা পাখং অতেংপা চকপা কাসি ঙমবা লংমাই থেনপূং লাংপা ইপল লেংনা তিন ইচু লেংনা ফাংবশিংবু তাঙজা য়িকাইয়ে হুয়াই শেনকোইএ। ইপল ওন্দোকরোইএ ইচু হলরাই ঙমলরোইএ। নোংবালশোন পীতভডা ঐ দ ডাইবং নমু মীবু ওইনা পানঙমলবোইএ। .খাই মান লাইওইখিবগে হায়না মোংবা থাঙডা লপয়ান । প ্পেন শারোঙ পূংয়ানখাদা চানা ঈরু মতাই ফাংনা। .খাইমোম লাইওইখিয়ে। নাউঃ ফঃ কাঃ লাঃ ৮৫

লোইদাম কুম ওইরকপা থুদিংদা মদাইরেম পোইবৈ পূন্বা হুপনা তানথোং চেন্না কুমশাবা লেমথোং চেননা কুম-ওইবা খোংফৈ য়াংলো লমগা। চেননা অয়াং যিবেন য়িরুপনৈয়ে। নাউঃ ফঃ কাঃ লাঃ ৮৬

মথক্তা পঞ্চখিবা লৈমাই পিতাংঙা অসিনা কংলৈপূংগী যুদ্দজাউ শঙ্গুংপগী লপলেনকাদা খোইয়ম লাই ওইচনা মাগী য়াইবীনা লম্নরেনগনবাদা তিনখিবসি লমতাগী মাকমৈ ১৪ নি পানবা হুমিংনি। মরম অচুনা থায়নদগীস্থ অয়াং ঈরেন ঈরুপ্পা হায়বা থোরমগা চাননা মৈদিংঙুনা চেস্থরকইবা চিঙ্গোয় তুরেলগী মায়কৈদগী হোরকখিবা মশানৌ পিতাং-ঙাগীদমক লম্মন শিংবা ওইনা লৈবাক্তা হুমিং অসিবু নিঙশিং থোরম ওইনা পাঙথোক্লবা লাউথোকখি। মতুং পানহৈবা নিংথৌগী হাক্তা বারুণী স্নান হায়না হিন্দু ধর্ম্মগী মিংদা ওনখি।

(সনামহি লাইকন লাঃ—)

কংলা উক্রোং হোংবা

ডাঃ এমঃ কীর্ত্তি সিংহ

অরিবা মীতৈগী হবাও কুম্মৈ অসি নতমগী যাওদা লুপশিন-শিন্দুনা অশেংবা মশক চুম্ম যংনদ্রে। মণিপুরী বৈষ্ণবশিংনা পালন তৌরিবা হিন্দুগী কুম্মৈশিং অসিদগী হান্না চংনরম্বা মচাক ৫০০ য চুপ্পা অহুনা ভারতকী মফম অতৈদা চংনবগা থেংনৈ। কুম্মৈ অমগা অমগা থাদশিংবা অমসুং curious (থুক লাউবা) ওইনা চৎপসু হৌরিসিদা উই। অরিবা কুম্মৈ অসিগী মশক চুম্ম থিগৎপদা ইজবেলগী জিটুশিংনা ওল্ড টেস্তামেন্তগী ফোস্তৎভলদমক পুথোকপা অমসুং খৃষ্টানগী থক অপোমদগী থ যদোকুবা হাংনবা কয়া নীংশিংবা য়াই। জিউশি অসি নেশবা হায়বদি খ্রীষ্টবু য়াদবা অবান খুবম ফংবা ওম্মরোইদবা কাডবু ওইনা খৃষ্টান চৎপা মীওইনা শেমজিনবজু হৌজিক্তা যানবাকে। মখোইগী খূদম অসি ঐখোয়না ভমশিনবদা মাংডক্লিবা ঈনাৎগী মশক অমসুং লমগৈ বয়া পুথোকপা ওমগনি খনলি।

হীরমসিগা মরী লৈননা মীতৈগী কংলা উক্রোং হোংবা কৌবা কুম্মৈসিগী মরমদ খরদং নৈনসি। মীতৈগী লাইনীং অমসুং শাজন্তা উ হোংবা, চেং হোংবা, ফৌ হোংবা অমসুং লুহোংবা হয়বসি ভোয়না থেনৈ। চেং হোংবা অমসুং ফৌ হোংবসি পূজা

ওইনা নিংথৌ অমম্বুং অথে ইবা নি থৌকোনবগী মী ইন। লাইদা কৎপনি। উ হোংবা হায়বসিগা উক্রোং হোংবগা খেন্নে। উ অদু মপুং মথৈ কানবা ঈশ্বরদা তাইবং মীনা কৎপনি। উগী মমুংদা উহল (তুলশী), সনাখোংনাং অসি হোংনৈ। থে.বাং অমম্বুং হৈনৌ অসি কায়নথংদা অশেংবা ওইনা লৌথিবনি। উ হোংবসি মৈতৈ অমম্বুং চীংমীশিংনা চৎনরম্বগী প্রমান লৈ। তাংখুলশিংনা উ অনি পুরক্লগা য়ুমগী নমাংদা য়ুংই। অতোপ্পা উ অচোবমু য়ুংই। য়ুম্বুনা মীপুম খুদিংবু পীজ পীথক তৌই। মখোইগী মতিক মগুন উৎপা কুম্মৈ ওইনৈ। চৈথারোল কুম্বাবা নৈনবদা উ হোংবসি মৈ.ত লৈমা সেরেম্বী (খৃঃ ১৫০৯) ; পুরুম্বা কোইরেম্বা (খৃঃ ১৫৭৬), নৈদিঙ্ মুরাম্বা (খৃঃ ১৫৮০), খাইর কপা খুঙ্গ'উবা (খৃঃ ১৫৮৮), মী'ত লৈমা চাংপোম্বী (১৫৯৫), শমলোইবা (খৃঃ ১৬০১), নোং-থোনবা অতোনবা (খৃ. ১৯১০), খাগেম্বা (১৬১৬ খৃ.) মীতৈ লৈমা লেমপোকপী (খৃঃ ১৬৪৩) খুঙ্গাউবা (খৃঃ ১৬৬৫) নচিংবনা পাংথোকখিবা পননি। উ হোংবগী য়ুংলিবা উশিংদা তেন্না কাপ্তুনা খুং চুম্বা তাম্ন হ য়বসি খম্বদ। উকায় কাপ্পা কোবা ক্বাক যাত্রা সুমিত্তা পাংথোকলিবা কুম্মৈসিগা অমুক য়ানশিন্নরি। খুৎ চুম্বা তান-বসি মৈতৈদা নত্তনা মোইরাং অমম্বুং ফয়েংনচিংবা লোইলমদস্থু চৎনৈ।

মথ দা লুহোংবা কৌবা হৌজিকমক চংনরিবা কুম্মৈসিনি য়েক শলাই অমগী লুদা পোক্লকপদু অমদ হোংদোকখিবনু হায়বনি। পুন্নী

হোঙবা থোং অমসুং লাইশঙনচিংবা হোংবসু ফংই। মসি ঠাই নত্রগা শানশিংনা চৎনরম্বগা য়াম্না মানৈ। লৌউবগী মওং তম্বা খূৎকী শাথেক জগোই কয়া শাই।

হৌজিক্কী খমগদবা ছীরম উক্রোং হোংবা হায়বসিদা লাকশি। শিখিবা মী অমগীদমক নূমিৎ খুদিংগী ওইনা সোরাৎ শোনবা (থৌ হৌবা) অমসুং ফিরোই (চহি কাহ্নুনা থৌরোইবগী মথৌ মওম) তৌবনু উক্রোং হোংবা কৌই। অসি নত্তবা ইপা ইপু পোকপা অমসুং লৈখিত্রবা পূরোন মরামগী কৎথোকপা অহেনবা উক্রোং হোংবসু চৎৈন। শম্না হায়রবদা শরাং লুথাংবা (অস্তি লৌখৎপা) নত্রগা উৎ লৌবা, সোর'ৎ শোনবা, থাগী কৎপা, চহি কাহ্নুনা সমসোর শোনবা অমসুং খ্বাইদগী কীর্ত্তন চাউনা তৌবা পূম্বা উক্রোং হোংবদা চিংশিনলি।

হৌরককমগী বারী—হরিচক লোইরমদাইদা পোইরৈত্তোন তাংথোংনা চেংবা খূৎলৌ অমাইবা অমসুং লাইম্না মচননা শরিক লাইনৌত বী হারনা তাইবং য়ুমথোং খুদিংদা নাবা শিবা হৌদোক্ত্রনা তাইবংদা তম্বীখি। মালেম অসি অহানবদা মী পূম্বা থম্না লৈরম্মী। অশিবা অনাবা লৈরমদে। মসি হৌদোক্ত্রবদি মালেমগী চংনলোন কায়রকপা য়াই খন্দুনা সনামহী অমসুং পাথংবনা মাইবা অমসুং মাইবী ওইনা শায়োনবনি। শিবগী মরম, মুমিৎ শিংবুন ১৩ দা উক্রোং হোংবগী অচা অথক অমসুং থা ১২ দা চহিগী উক্রোং হোংবদা চা থকপহ্ন য়াম্না মুংঙাইবনি খন্দুনা তাইবংনা বর

মীহুনা পীবিরম্বনি। অশিবনা অমুক হিংগৎলক্ত্রবদা তাইবংনা লাই অনীসিবু তাথিখি। মৈত্রবাক্কী নিংথৌ অচানবা কাংবা কাংখম্না পানবনা উক্রোং হোংবা পনলি। মগী মতমদা চাক চহুম পানলম্মী হায়রৈ। মীওইবনা মরাং কায়না ফংবা হৈ, লৈ অমস্তুং লফোইনচিংবা কত্তুনা পাংথোক্লরম্বা শগোক কৌবা লাইরিক্কা উৎলি। মীগী মতম ত রকশদা লুগাং নিংথৌ পুন্সিবা কৌবা মীতৈ ঈনাৎপু মশক থোকহনলম্বা পণ্ডিতসিনা তোল্বনা কুম্মৈ অসি তৌখ। পোইরৈতোম্না মৈ শীজিম্নব চাওখৎহনবা অমস্তুং শিথিবগী মথৌ পাংথোক্লবা শেমথিবস্থ থেংনৈ। চৈথারোল কুম্বাবা পাক্লনা নৈনবদা নিংথৌ চরাইরোংবনা পানবদগী উক্রোং হোংবা হোযনা পনবা থেংনৈ। মথং খৃঃ ১৭০৯ গী পনখিদ্রে। ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদগী উক্রোং হোংববু নিংথেম কীর্ত্তন হায়না বৈষ্ণবগী ফিজোম্না উপশিনহ্লে। কুম্মৈ মশাদি অমতনি হায়নীই। শলাইগী নিংথৌশিনা পানবা মফমবু মীতৈলোন্দা কংলা কৌই। কংলাদা মীথাম তিন্দুনা পানখিবা নিংথৌনা হরাউ ভয়াম্না পীজ পীথক তৌন্থু কংলা উক্রোং হোংবা অনৌবা লোন্দা নীংথেম কীর্ত্তন কৌই। পানখিবা নিংথৌহুনা মাবু পোকপা মপাগী লৈতবা নুমত্তা পুম্না নীংথেম কীর্ত্তন কৌহনা কৎনবসি নিংথৌ চুড়াচান্দগী হাক্তক্তা থেংনখি। অহানবদদি পোইন্থু লৌ লোকপা মতুংদা পাংথে ক্লরম্মী।

উক্রোং হোংবদা তৌগদবা হীরম পরেংশিং--পণ্ডিত শ্রীখুমল্লম্বম য়াইমশিংনা মৈতৈ জগোই (অনোইরোল) অহানবা শরক্কী

ল মাই ৪ ই রি— "মেন জগোই শাংগা উ কায়োং পানবা অহোংবা অমা যুখংপা অছুগা মী পুম্নমক্না মরাং কায়না হোঙনা চাউনা পীজ পীশকপা অচুবু উক্রোঙ হোঙবা কৌই।"

মৈ থাবা নক্রবদি উক্রোং হোংবা পাংথোক্লদে। থোরি মাপুনা শিবা, লমদা মফম মরং খঙদনা শিশিবত্তুগীদমক চুপ শাবা কৌবা তোঙানব থৌরম পাঙথোক্লরমই থোইঙম্বসুং নিংথৌজাগী নিংথৌ অহানবা পথংবা অমসুং মাগী লৈমা লাইস্নাদি মৈ থাথি কায়বগী প্রমান লৈংনদে অচুবু উক্রোং হোংই হায়না শ্রীপণ্ডিত চানম্বম বীরহার সিংহনা মত ফোঙদোকই। মখোইগী মচুং অচু পাঙ্গোংনা শিনলি। গভদা থা ১০ নাউপুদনা পোকপা মীদসু মৈ থাবা অমসুং উক্রোং হোংবা চংনৈ। মীতৈগী চাউরবা মাইচৌ গুরুশিং অচু পোকপা, শিবগী মতম লেপ্পা ঙমদে অমসুং মৈ থাবসু লাইরিক্ত উংতে মখোইদমক শিবগী থৌরম তৌথিবরা খঙদ্রে। চংকদবা পাথাপ অসি নিংথৌগী নোংদম শংলেম্না য়েংশিনলি। শঙলেন অসিনা কাইবরোল শঙদা চত্তুনা অচুম চুমদা য়েংশিন্নবা থৌদাথি। হৈশিংলবা লৈবাক্কী পণ্ডিত নক্রগা থুলগী অহল লমনশিংনা উক্রেং হোংবগী থৌরম পরেং অসি তশীনরমই। নিংথৌ খুয়োই তোম্পোক্কী মচাপুপী অম চহি ফাদনা থা ৭ তা নোঙ্গাথি। মাগী মোংফমগী থোকাথব লৈমা ভীলশিং অচু লৈমাম্ব অমসুং ফয়েংনচিংবা লোই লমশিংনা য়েংক্লুনা করং শাথিবগী প্রমান থেংনৈ। মৈ থাদনা ফুংথিব উক্রেং হোংবগী থৌরমসি লৈমশিদা পাংথোকথিদে। লোই

লমশিং অমসুং চীংমীশিংদি অহানবদা উক্রোং হোংবগী থবকশি পাং-থোক্লমলবসু মরমদা মচৎ হোংদোকখিছন মীতৈশীগা মাপ্লখিদে।

লৈখিদ্রবা থবাই অহুগী মখো মতম শুনা তৌবগা হৌরককম মপূদা য়োনবা লনী অহু চৎপদা অপনবা লৈতে হায়বা মীতৈ লাই নীঙনি। বৈকবগী ঈখীন লাক্তিংৈঙদা পোৎলোইব অসি হুমিদাংদা থবানমিচাক মশক উয়গা শিয়ত্রিবকাউবা লোইশিনলমদে। সুংখিল থবাইমিচাক (থবামমিচাক) থোক্তিংৈঙদা পোৎলোইবা লোইশনবা তৌনরমদে।

শিখিবা মতুং হুমিং ৬ নি শুবা উৎ লৌখৎপা কাউব, কফুগী তিজ, শাহুনা চেং, থোইদিং, তিংথৌ, ধুপ, থাওমৈনচিংবা থবাইনা লাকপা লম্বেল হায়রুন' কৎলি। চাক চহুম ফুম ৭ (মতুম তাবা লোং-লুম) শেমহুনা মপুদা কৎলি। হৌজিক পরক শোনবদা গীরা থাংবনা পংথোক্লীবসিনি। সোরাৎ য়ৌদ্রক উবা হকচাং কায়াৎ শাগৎপা ফুম (ভুম) কৎলি।

ঙসিগী উৎ লৌবদা মোংফমদগী থবাই ৫ মিগা থানা ৬ অসি পুল্লপ পুরক্না তিনহনখি। থবাই অমনা শিবা কালদা মাইবদা, অমনা হুমগী শাইজিন্দা, মথদা গিরা থাংবদা অমসুং অমন মোংফমদা লৈহৌই। মহু পুল্লপ তিনহনলি। ১৩ নিগী সোরাৎ হুমিত্তা হক-চাং শাবা পূমলোই লোইবগী ফুম লৈ চাইবা কৎকনি। মতম অহুম উৎপা— মঙাং, লুবাং অমসুং খুমন অহুম উৎপা ফুম ৩ শিরিবা মী-হুগী শলাইগী মতুং ইম্না লৈহুন তমহুনা মপূদা কৎলি। তাইবং মপু

৯ লৈ । য়েকশলাইগী চপচাবা মচু অহু হায়দুনা মাবু খুবম্ববদি অয়ান খুভম কংই হায়বা লাইনীঙ মশক অমা মীতৈনা চৎলৈ ।

শোয়াস্তা পেনানা ঈকৌবা, পুংশেন য়াউনা থবাইগী লম্বী নোঙগারোন শকপা ফংই । হকচাং শাগৎপগী ফুম অহু মোংকমদা পুরিৎনা থারুগনি । মহুদগী হন্নরুগা পুঙ, করতাল অমসুং যন্ত্র কয়াদা শোক্লগা লোইশিনলি । মরম চাবা থকপগী থবক পাঙথোকলৈ ।

চহি কারগা উক্রোং হোঙবা অসি পাংথোক্লবা য়াদে । থবাই অসি শিবা মতুং চহি অমদি মপুগী নাক্তা লৈ । মপু অহুনা চহি শুরগা অমুক চৎলো। হায়দুনা তাইবং মপোক থা শুরগা পোকহনলি হায়না থৈরে । মহুগীদমক চহি কারকপগী ফিরোই শোনগনি ।

গৌর ধর্ম্মগী প্রভাব কয়া তাত্রিখৈদা ঈ, শা অমসুং ঙা কাউবা কৎবদুম্বা থেংলৈ । মতুংদদি ফু হৌবা, অধিবাস তৌবা, কিয়াল ছত্র অমা মোংকমদা থৎপা, হরী শঙ্কীর্ত্তন তৌবা অমসুং মনামশীংতগী ঈনশাং চাবা হৌদোক্লরকই । কীর্ত্তন তৌবা হায়বসিদি ধর্ম্মগী অচৌবা কুইম্ম শুইবনা ঈনশাং অমসুং কৎলিব পোৎলম পুম্বা মনামশিংদমক শুইরকখি । পাম্বীশিং, মরু তাবা পোৎশিং, মথোকশিং, মনা অমসুং মরুগী পোৎ কয়ানা মথেল শেমই । মথন মথেন কয়াগী হবাইশিং হঙ্গাম থাউনা তৌহুনা শেমই । অচৌবা কীর্ত্তন কয়াদা চীংদগী ফংবা লবুক্তগী ফংবা, তুরেল অমসুং খুমথোঙদগী ফংবা মমামশিংগী চীঙাক য়াউই । নোংপোক লমদা চানবা শীংজু, চক্ষুৎ, ইরোম্বা, শোইবুম হব ইচায় অমসুং উশোইগী উভিনচিংবা কয়া চানখি । নিংথৌগী

পুক্তাখিশিং অমসুং মীতৈ বামনশিংগী পুখোকপা হৈবগী তোপ তোপ্প কয়া থোকহনখি। হৌংনা চাবা উহৈ, বাহৈ, পান অমসুং থকুবা চুহি, শঙ্গোমগী মখেনসু হৌদোকখি। চৈজাকশিংসিদা ভিটামিন মখল শুনা তিনলি। হৌদাক ওইনা শীজিন্নবা মৈত্তৈ থুম নত্তনা মপানগী কপোথুম তৌহনলমদে।

থাং থাকুবা পাত্রশিংদা চফু ইবাল, ভুম কফু, কলফাল, লাংগী দানা, চাকলুক অমসুং হৈরুক পানগী অকোইবা তাঙ্গ কয়া শেমলকই। বৈষ্ণব প্রভাবগা চানবা মওংদা ময়াম তিংহুগা চা থকুবা শেমই। চাবদা য়াউগদবা, মকোক ফমগদবা, মাগী মহৈ মশিং হৈবা মীলই অমসুং মথুং চাগদবা চাক থোংবশিং থনল।

চাক থোংকম, ঈশৈ শককম অমসুং ভাহকী মফম কয়া চংনবী নীংথমনা ভাক্তনা থমখি। চাকয়েনবগী মওং, লোইশনবগী মওং, ছাপ তদবা মওং অমসুং কায়নবগী মওং কয়া মীতৈশিংনা পুখোকখি।

নীংথেম কীর্ত্তনসি প্রজা মীপুম তিংনা পীজৈ। জাত শুনা মশী মশীগী মফমদা চংহনলি। ফাদোক তাবা মীওই কয়াসু লেম্না পাদাক তৌখি। উক্রোং হোংবা নত্রগা কীর্ত্তন তৌবসি লৈবাকী ওইনা নিংথৌনা কোম্নুংদা পাংথোক্লমই। অচংবা খরচ নিংথৌনা লৈবাকী পুক্তলগী কাইথোক্লম্মী। চূড়াচান্দনা পানবদসু ষ্টেটকী ওইনা লৈশা কাইথোকই। নিংথৌগী তৌবহু প্রজাগীনি চায়হুনা ধর্ম্মগী মীংয়েংদগী প্রজাশিংনসু অওম্বা কৎলি অমসুং পাংথোকদবা মথৌ অহুসু অপনবা লৈতনা হোংনরম্মী। থৌজিক্কি মসিগী মতম

ওইখিদ্রে। মুভাই য়াইফবা মীত্তইনা কীর্ত্তন লৌশিবন মমাংঙদা ফংলমই। কুম্মে অসি মাঙখিদনবা মখাগী সজেসন (খুদম তৌবা) খরসি পঙনীংই।

(১) মীতৈ লাইনীংদা থবাই লুপ্পবা কাঙবুনা সংস্থান শেমগা মুদিং হৌদি থাব ন, মতম কায়হন্দনা পাংথোকপা অসিনি। ফগু থবা থবাই য় উবা অমস্তুং মচীন তৌবা নীঙইদগী পৈশা খাংগনবা থৌ-রম অসি চাউনা উৎপা হসিনি। চেফোঙ অমস্তুং মুংতি খবরশিংদা ঈ-পাউ ফোঙবা, এদভরতাইজ তৌবা চুমই। রেডিওগী থোংদস্তু শন্দোক্লবদি শাফু থরা পীব ঙমগনি।

(২) লাইনীঙ অমগী মায় পাকপসি মতুদা য়াউরিবা মীশিংগী মায়পাকপা, কম হায়গৎপা অমস্তুং হাশক থুংবগা মরী লৈনি। হী-রমশিং অসদা মায় পাকপদা পৈশা য়ম্বা খরচ তৌবদা হনলোই। লৈঙাকলোনগী কম পাইবনা কুম্মে অসিবু পাম্বা মীওই-না কুম্মে অসি চাওনা তৌহুনা ভারতকী মনিং চৎপা কুমৈ অমগা চাংদম্নবা য়াগনি। মসি য়েংনবা মপানগী মী কয়া কৌহুনা লমসিগী পৈশা হেন্সৎকনি। অনৌবা মহৈ মশিং ফংবা অমস্তুং থীজনবা পাম্বা নহাগোল থরা লাইনীংসি চৎপা মীওইদগী থোকহনবা চুমই।

(৩) মাঙশিল্লক্লবা কুমৈ অসি কলহৌনবা অখং-অহৈশিংদগী য়ারী য়াতাই খোনজিনহৌবা, লাইরিক-লাইগু ফোংদোকপা অমস্তুং খল্লবগী সভা ফম্বা অসি তৌদবা য়াগ্রবনি। কুম্মসিদা এন্থ্রোপো-লোজি (মীগী হৌফম নৈনব) গী, সাহিত্যগী অমস্তুং দর্শনগী মচাক

কয়া লৈরি। মীতৈগা অতোপ্পা কাংবুশিংগ কয়াম মাররম্বা অমসুং খেন্নরম্বা হায়বসিসু ফংনিঙাই ওই। পৈশা থরা চংহন্দুনা (প্রোজেক্ট) (থৌরাং তৌবা) নচিংবা পায়খৎফম থোকই। চাওখৎলবা জ তিগী পুন্সিদা চংনরম্বা কয়ানা ঐখোইগী চমম্ববা কয়া কোকহনলি। ঐ-খোইগী ই স্ট্রিটি (মপুং ফাবা, পূকচেল শেংবা) অদু মমাংদৈগী থৌ-রবা মীওইগী লৌশিং অসি য় উদনদি মশক উৎপা ঙমদে। পামদবা লৈরবসু ময়াম পূ। খন্ননিন্নবা মতম চারে।

(৪) মীতৈগী থাজং থাবান্দা পাহুনা কুম্মৈ অসি কেলেণ্ডর (খংনাইবা) অমত্তা পঞ্জিকা খুৎপায়দা চনলম্বা থেংনৈ। অফিস পুম্ন-মক ছুটি থাদে ক্রমই। চাওখৎলবা মতমদা ইংরেজী থাবান অমসুং পুংশিং চৎপদগী মীতৈ মচানা মীতৈগী থাবান অমসুং অতাবা কুম্মৈগী মতিক ময়াই বা গথোক্লক্লে। কুম্মৈ অসি থরায় য়াওবা সংস্থানশিংনা সরকারদা ছুটি ওইবিনবা হোৎনবসু কত্তবা ওইরে ই। ছাপাদা নম-লকপা কেলেণ্ডর; খুৎপাই অমসুং হোলিডে লিস্ট শেম্বদা হাপচিন্দুনা ঐখোইগী ওইরগা ঈনাৎকী মশক মপালগী মী ওইদা উংথে কপা চুমই।

(৫) মীতৈনা চংলম্বা কুম্মৈ পুম্বা লাইনাং লগী অমসুং পুন্সিগী অর্থ পীবা ঙাকনি। থাজবগী অচুম্বা উংলি। উক্রোং শেংবসি শেংথাবা অ সুং অরাবা শরূক য়াবগী ওইরবসু পুন্সি পুম্বা লোইন-মক তৌগনি খল্লুবদা অরাবা থাদোকনৈ। য়াম্না হেন্না মুঙাইথোকপসু তৌরদে। কুম্মৈসিনা শিরবা মপুন্দগী কৌরু, শকোং শারৈ (শক্তিক) মুনিৎ, থা, মৈ-ঈশিং, মুংশিৎ, থরানমিচাক, মপা অমসুং মমাদগী থর ই লাকপতু তাইবং কুম্মৈ লোইরগা অমুক তিনসনবগী অথুপ্পা নী শিংহনলি। মীতৈ লৈবাক্ক লৈরিবা মীতৈদা নত্তনা মপানগী লম-দসু কুম্মৈ অসি নোহোনা খন্নবা পাম্বৈ থিবসু চুমই। ☐

লাই কৈথেল কাব

আরঃ কেঃ হিরন্ময়

লাই কৈথেল কাবগী হৌরকফম।

লাইকৈথেলকাব হায়বা থৌরম অসিগী হৌরকফমদি মীতৈগী লায়রোননি। মীতৈ লায়রোনগী মতুং ইন্না, য়াম্না কুইরবা মতমগী মমাংদা লৈপাক অসিদা মীরুপ অমসুং লাইরুপ হায়রহনা মীগী কাংলুপ অমা অমসুং লাইগী কাংলুপ অমা, কাংলুপ অনিথক লৈমিন্নরমই। মীগী কাংলুপকা লাইগী কাংলুপকা অনি অসি মতম লৈবা খিবিক্তা থংনহনতা লৈরমই। কাংলুপ অমনা কাংলুপ অমগী অশোয়বা য়েংহনা মরাল শীজিন্নবা মতম পুম্নমক্তা হোৎনরমই। নোংমা নোংমগী মশীং অসুম হেনগৎলকপা ওইবনা মীরুপতি অসুম যাম্থোরককই; মরম অদুনা মীরুপন লাইরুপ্তু থোইদোক্না কিবা লৈরুবদ অদুগা লাইরুপসু মথোয়দি মথোয়না তৌগে হায়বতা তৌবা ওয়নি অমসুং থউদ উদবা লৈতবনি হায়রহনা মীরুপ্তু থোশারমদে। লাইরুপনা মওং কয়া থোকনা থৌশিল কয়া শীন্দুনা মীরুপকী মরক্তা য়েংথোকনহন্নবা মচেৎ মচেৎ কায়হন্নবা মতম চুপ্পা হোৎনখি। লাইরুপ্না, মীরুপ্তু মথোয় মশেল য়েংথোকনহন্নবা অমসুং কায়নহন্নবা অদুকী মতিক হেৎনরকলিবমথৈ মীরুপকী মনুংদা লিংজেল মান্নবা অমসুং অমত্তা ওইবা লৌচিংনা অসুম অসুম চেৎনা চেৎনা পুনশিন্নকখি। মরমনদি

লাইরুপ অসি মীরুপকী য়েরুবনি। মীরুপকা লাইরুপকা অনিমক অসি অমনা হায়ব অমনা লোদ, অমনা ঙাঙব অমনা তাদ, মানা মানা তৌনিংবতা তৌহুনা লৈনরকপা মতম শাংলক্লে। লৈপাক অমত্তদা লৈমিন্নবা কাংলুপ অনিনা অমনা অমবু য়েংথোকপা পুক্ৎচেলগা লোয়ননা মানা মানা তৌনিংবতা তৌহুনা ঙাঙনিংবতা ঙাঙহুনা লৈবা তারবদি লৈপাক অদু কাং-খোং চাইবা হায়বসি এশানা তঙবনি। লৈপাক্লা কাংখোং চাইরবদা লৈপাক অদুদ লৈবশিং অদুন ঈ না মুঙাইনা পানবা ঙম্বা হৌনদে। মীস্থ ওইরসনু লাইস্থ ওইরসনু, ঈংনা মুংঙাইনা পানবসিবু পামদবা কনা লৈগদগে।

ঈংনা মুংঙাইনা লৈবা পামজবা মীরুপ লাইরুপ অনিমক্লা অরাব অমসুং ঈরাং হৌবতনা থল্লবা ঈচেন্দা লীশিং শীৎন তাউথরকপ অসিবু অমুক শাংথহন্নিংদ্রে। থুগায়নবা হে ৎনবদি লায়ব, ফনবা শেমগৎপদি লুবা অদুগুম্না য়েংথোকনরম্বা অনিবু ঙাইশিন্নহনা করম্না নুশিননা ঈংনা পানবা য়াগদগে হায়ব অসনা কাংলুপ অনিমক্তী অমুক্তা হেন্না লুবা অরাবা রাফম অম ওইনরক্লে। লাইরুপস্থ লাই খুন্দন্দা থম্মরক্লে, মীরুপস্থ য়াকাবুংদা নৈনৱবলে। নহানমথৈ য়েংথৌরবগী হুনা কুপশিন্দুনা মমহল্লম্ব রাথল অদু হৌজিক্ত ময়েক শেংনা ঙনথোরকলে। মীরুপকা লাইরুপকা অনিমকনা চান্ন চিন্ননা লৈমিন্ননবা অমসুং লৈপাক মরা তপ্পা পান্নবা থোরম শীনবা হৌরকই। লাইরুপকা মীরুপকা পুন্না তিন্নহুনা চাকচা-হৈজানসি অমসুং চান্ন-চিন্ননা লৈমিন্নহুনা লৈপাক মরা তপ্পা পানব য়ানবা রাশক রায়েপ্পসি হায়না কাংলুপ অনিমক্লা য়ানরে।

অমুম্মা লৈপাক্কী ভম্‌দাই পুন্সি শাংননবা থৌরম শীনবগী অহানবা শরুক ওইনা লাইরেম্বী নিপালনা লুচিংহুনা লাইগী কৈথেল ফমই। লাইরেম্বীশিং অদুদিঃ— পুকশীখোম্বী, খিংপাইলোইখোম্বী, অঙাইবী, খোংঙাইবী, কোতিংলৈম, থারৈম, য়ুচেংলৈম অমসুং চেংলৈম অসিনি। লাইরেম্বীশিং অসিনা য়োল্লম্বদি মী মকোক, হোদোং মকোক, ফির ও অরাংব অসিনচিংবা য়োল্লমই। অদুবু লাইগা মীগা তিন্নগদৌরিবনা হায়রম য়োল্লম্ব অসিবু তোকহন্দুনা কাংলুপ অনিমক্তা পুম্না চামিন্নবা য়াব পোৎলমশিং অমসুং অথুম অহাও কয়াশিং য়োলহনখি। মী অমসুং লাই পুন্না তিন্নহুনা কৈথেল কারগা লাইরেম্বী নিপালনা য়োল্লিবা চান-থক্লবা পোৎ চৈ পুম্নমকপু লৈরগা লাইকপকা মী রুপকা পুম্না চাকচা-হৈজামিন্নৈ অমসুং চাকচা-হৈজানবা লোইরগা লৈপাক মরা তপ্পা ঈংনা পানব য়ানবা অমসুং কাংলুপ অনিনা সুংশননা লৈমিন্ননবা বাশক বারেপ্পনৈ। মসিবু লৈবাক্কী ভম্‌দাই পুন্সি নিব হায়নসু কৌনৈ। হায়রিবা থৌরম অসিদি লমদা থাগী কুননি পান্বা শগোলশেন সুন্দিত্তা পাঙথোকখি। অদুগা থৌরম অসি পাঙথোকখিব মফমদা থ্বাই নোংজেং পিবাম কোনবা লমজাওগী মন্নুংদা লৈবা কংলৈখোম পাথংবগী য়াথোকফমদনি। মফম অসিবু কুমজা লাকরেন তাইফম হায়নসু খঙৈ। অমুম্মা লাইরেম্বী নিপালনা লুচিংহুনা লইগী কৈথেল ফমলগা য়োল্লিবা পোৎ চৈ পুম্নমকপু লৈরগা লাইগা তাইবংগা চাকচা-হৈজানখিবা অমসুং লৈবাক ঈংবা মরা তপ্পা পাম্বা য়াননবা বাশক রারেপ্পখিবগী থৌরম অসিসু লাইকৈথেলকাব হায়না

খঙনখি। অদুগা লাইকৈখেলকাবগী থৌরম অসি কুমজা খুদিংগী পাঙথোক্লুনা লৈবাক্তা ঙমদাই পুন্সি শাংনবা কায়ফত্রবা থৌরম অম ওইনা পাঙথোকপা ওইসনু হায়নস্থ লেপ্লখি।

ইতিহাসকা ঈচেন্দ লাইকৈখেলকাব

লাইকৈখেলকাবগী থৌরম অসি নোংদা লাইরেন পাখংবনা লৈপাক অসিগী নিংথৌ ওইদুনা পানব মতমদদি মঙং খর চেংদোক-লকখি। নোংদা লাইরেল পাখংবদি লাই অমস্থং তাইবং অনিমক্তা নিংথৌনি। মহাকপু তুবী অহিং লাইওইবা নোংথিল মীওইবা হায়না খঙনৈ। নিংথৌ অসিগী হাকতক অসিদদি লাইরেম্বী নিপালনা লু-চিংদুনা কৈখেল কঘগী মহুস্তা তাইবং চপু নিপালবু কৈখেল ফংহন্দুনা অচা-অথক পুন্নখক অহুবু লোইনমক লৈরগা নিংখিনা থোং থাকই, অদুগা চাকলুক নিপাল থোক্লা থারগা থোং থাক্লিবশিং অহবু চাকলুক নিপাল অহুনা য়েস্থোকই। থারিবা চাকলুক নিপাল অহুদি— মঙাং, লুৱাং, খুমন, অঙোম, মোইরাং, খাব, ঙানব অমস্থং শরাংলৈশাং হায়-রিবা শলাইশিং অসিগী লুচিংবা পীবা নিপালগী মশক লেপ্লুনা থাব-নি। থারিবা চাকলুক নিপাল অহুগী মসুংদগী খাব পীবাগী চাকলুক্তা ঙানব পীবাগী চাকলুক্তা অনি অহু পুন্না অমস্তা ওইন তিনাশলে। খাব ঙানব তিন্নবা অদুগ। শরাং লৈশাংথেমগী চাকলুক্তা অমুক তিন-শিনশিন্নরে। খাব ঙানবগী চাকলুকগী খর লৌরগ অঙোমগী চাকলুক তিনশিননে। অঙোমগী চাকলুকগী লৌরগা মঙাংগী চাকলুক্তা

তিনশিনলে। খাব ভানব অমসুং শরাংলৈশাং তিনব চাকলুক অম, খাব ভানব অমসুং অঙোম তিনবা চাকলুক অম, অঙোমগা মঙাংগা তিন্নবা চাকলুক অমা, লুবাংগী চাকলুক অমা, খুমনগী চাকলুক অমা অমসুং মোইরাংগী চ কলুক অম; অসুম্না চাকলুক নিপাল অহুমা চাকলুক তরুক খোকহল্লে। মসিগী মতুংদা খাব ভানব অমসুং শরাংলৈশাং তিন্নবা চাকলুক অহুনা লেমহৌরিবা চাকলুক মঙাদা য়েম্পোক-তুনা তিনশিল্লে। অহুদগী চাকলুক মরিদগী লৌম লৌমগ মঙাংগী চাকলুক্তা অমুক তিনশিল্লে। মতৌ অসুম্না চাকলুক নিপাল খোক্লা খারগা মখং মখং অসুম তিনশিন্নরকপা অসিবু শলাই লুকতিনবা নত্রগা শলাই লুপতিনবা হায়না খঙনৈ। শলাই লুপতিনবগী খবক অসি লোইরবা মতুংদা লাইগী হৌনবী ঈরাং খোরম পাঙখোক্নবা লাকলিবা চহি অহুদা খোকলকপ য়াব কুমগী লাইচং লাইনা অহুবু কোকশীনবগীদমক্তা খুকমজৈ অমসুং খোনিজৈ। মহুদগী নিংখৌ, অঙম অখৌ, শলাইশিংগী পীবাশিং অমসুং য়ুমখাইব ময়ুম পুন্নমক তিন্নগা লৈপাক নিংখৌ পুকচেল খোয়জেল তিন্নবা শুংশিনবা লৈমিন্নহুনা লৈপাক মরা তপ্পা ঈংবা পানবা য়াননবা রাশক রারেপ্লে। নোংদা লাইরেল পাখংবগী হাকতক অসিদসু মমাংঙৈগী মতমদা তৌখিবগুম্না খোরম অসি খাই নোংজেং পীবানা কোনবা লমজাওগী মমুংদা লৈবা কংলৈখোম পাখংবগী য়াখোকমদা লমদা খাগী কুননি পানবদা অহুম পাঙখোকখি।

নোংদা লাইরেল পাখংবগী হাকতক অসিদদি লাইগা তাই-বংগা চান্ন চিন্নবা লৈমিন্নহুনা লৈপাক মরা তপ্পা ঈংবা পানবা য়াননবা

অতৈ থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি। মহাকী মতমদা নৈমা লাইস্নাগী মুংনাং বাখলদগী ব'হৌদোক ওইরক্লগা লাই তাইবং অনিবু মুংশি-নহন্নবা ওইনা লমদা থাংজ অহানবদা লাইগী শগোল কাংজৈ শান্নখি অমসুং লাই তাইবং অনিমক শান্নবগী কুঁশ্ম য়েংহুনা পুক্লিং হবাও তায়ান্নখি। লাইগী শগোল কাংজৈ অহুদা মারাজিং, খম্নাংবা, ঈরুপ নিংথৌ, ঈকোপনিংথৌ, ঈরোংনিংথৌ, নোংশাবা অমসুং পানথোইব লাইশিং অসিন নাকল অমদা লেপখি অহুগা থাংজিং, খোরীফাবা, বাংবোন, য়াংগোইনিংথৌ, নম্বুল লাকপা, ওকুরেল অমসুং লোয়-রাকপা অসিনা অতোপ্পা নাকল অমদা লেপখি। অহুগা কাংজৈ লোইরগা খুৎনা শুবা য়ামগা, খোইহী; চুহী অমসুং লফোই মনম নাইবগা তোৎলগা পীজ-পীথকখি। লাইশিংনা মুংঙাইরহুনা নিং-থৌনা নিংবা মতুংইন্না ঈংনা পান্নবা হোৎনগনি হায়খি; মসিদসু নত্তনা তিনমু লাইমু কত্তবশিংবু পীফম থোকপা চাকথা পীথোকতুনা শরোই খাঙদোকই।

মৈদিংগু তাওথিংমাংগী সনা হাকতকতসু লাইহৈরোবা কাবগী থৌরম অসি পাঙথোকখি। তাওথিংমাংগী হাকতক অসিদ নয়াম য়োইমোম্বনা নৈবাক ঙাকপা হায়বদি নৈবাকী থৌরম পুন্নমক পুই। নৈবাক ঙাকপা য়োইমোম্বনা নৈবাকা মফম খুদিং চত্তুনা ঈরম খোংলম কয়া তেংথোক্লগা অমসুং অনৌবা কয়াবুসু তৌ-থোক্লগা শেমগৎলকপগা লোয়ননা ঙীন্নম লাইরম থিগত্তুনা অমদি ঈরাৎ থৌরম কয়া পাঙথোক্লগা নৈবাকী পুংঙাই য়াইফনবা শীন্নক-পগী মতাংদা লাইহৈরোবা কাবগী থৌরম অসিবুসু পাঙথোকে হায়না

মপুক্লিংদা লেপখি। অত্তুবু থৌরম মশক খঙবা রাংপদগী মওং তাবা ঙমদত্তুনা মপুক্লিং নুংঙাইতনা লৈখি। মতাং অসিদা থোঙাক কুরুম্ব কৌব অহল অমনা লাক্কুনা মতম খুদিংদা অমদি নোংদা লাইরেল পাখংবগী হাকতক্তা তখিবা লাইকৈথেলকাবগী বারী রাথোং পুন্নমকপু য়োইনোম্বগী মফমদা লীখি। ত কলম্ব মতুং ইন্না লৈবাক ঙাকপা য়োইমোম্বনা চঙগদব। পে ৎচং-চৈজং পুন্নমক লাঙত্তুনা থৌরম পাঙথোক্নবা হোৎনখি। নোংদা লাইরেল পাখংবগী মতমদা তৌবগুম্না চাকলুক নিপাল থোক্ক থারগা মথং মথং তি-শিন্দুনা শলাই লুপাতিনবগী থৌরম পাঙথোকই। শলাই লুপাতিনবগী থৌরম অসি পাঙথোকলিঙৈদা শলাই মৈহৌরোল শকই। অত্তুদগী নিংথৌ, অঙম-অথৌ লৈকাই লাকপা মরি, পানা লাকপা মরি, শলাইগী পীবাশিং অমস্তুং লৈপাক মীয়াম অসি পুন্দুনা লৈবাক মরা তপ্না ঈংনা পানবা ঙম্নবা রাশক রারেপনৈ। মতাং অসিদম্ভ থৌরম অসি খ্বাই নোংজেং পীবানা কোনবা লমগী মম্নুংদা সৈবা কংলৈথোন পাখংবগী য়াথোকফমদা লমদাগী কুননি পানবদা পাঙথোকখি।

মৈদ্রিংঙু তাঙখিংমাংগী হাকতকতা লৈবাক ঙাকপা য়োইমোম্বনা পাঙথোকখিবা লাইকৈথেলকাব অসিদা তৌখিবা থৌওংশিং অসিনা অরেপ্প মশক অম ওইনা মথং মথং নিংথৌশিংগী হাকতকতা পাঙথোক্লখি।

লাইকৈথেলকাবগী হোৎলকপা শক্তম।

মথং মথং নিংথৌশিংগী হাকতকতা পাঙথোকনরকপা অসি নিংথৌরোল খরগী হাকতকতদি কাওথোক্লম্রে পাঙথোক্লখিদ্রে।

অহুদগীদি খৃষ্টগী ১৮ শুবা শতাব্দিদা অনৌবা লাইনিং লাইশোলগী ঈপোম অমনা মনিপুবদা শাফু কয়া ফুজিল্লকখি অমসুং মাহুগা লোয়-ননা ঈরং থৌরম কযাদস্যু অনৌবা শক্তম ওইরকখি। মনিপুরদা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী হাক্তদা নৌনা মনিপুরদা চঙলকপা গৌরীয় বৈষ্ণব ধর্ম্ম মপুং ফাখি। নিংথৌ অসিগী হাক্তদা মহাক্কী মতোন ইবুংঙো নোংপোক লৈরিখোম্বনা মনিপুরগী অরিবা ঈরাং থৌরম কয়াবু অমুক নৌনা থিগত্তুনা পাঙথোক্লবা অমসুং লৈবাক মরা তপ্পা ঈংনা পানবা ভম্বা থৌরম কয়া লাংচহনা পাঙথোক্লবা হোংলখি। অসিগুম্ব হোংনবা অসিগী শরুক অমা ওইনা, নিংথৌরোল খরগী হাক্তদা কাওথোক্লখ্রবা লাইকৈথেলকাবগী থৌরম্ খৃষ্টাব্দ ১৭৭৯ গী লমদাগী ২০ নি পানবদা নিংথৌ, অঙম অথৌ অমসুং লৈপাক মী-য়াম তিন্দুনা বিজয়গোবিন্দগী লম্পাক্তা পাঙথোকপা হৌখি। পাঙ-থোকখিবগী মওংদি অরিবা লাইকৈথেলকাবগী থৌরমগা নৌনা চঙ-লকপা ধর্ম্মগা অনিমক পুন্না লৈমিন্নবা য়ানবগী মওং অমদা শীন্দুনা পাংথোকলমই হায়বদি অরিবা লাইকৈথেলকবগী থৌরমশিং অহুবু খরমথৈ শীকশিল তাশিলহল্লগা অনৌবা ধর্ম্মগী হাল অমসুং হলঙ-কার হাপচিল্লগা পাঙথোকপা হৌখি। অরিব অমসুং অনৌবা অনি-মক্কী কায়দনবা শলাই পীবাশিংগী চাকলুক নিপাল থাবা অমসুং শলাই লুপতিনবা অহুনা অথুম অচাও লুক নিপাল শেমলগা হৌনবী কাংলম মতুংইন্না তিনশিননা অমসুং মাহুবু লাইদা কৎলগা নিংথৌ অঙম-অথৌ য়াওনা লৈবাক্কী লাইচৎ লাইনা কোকহনবীয়ু অমসুং লৈবাক মরা তপ্পা পানহনবীয়ু হায়না লাইদা খুরুমজবা অহুগা শলাই

মৈহৌরোল শকপনা মী অমনা মন্ত্র থীবগুম থীবা অমস্তুং লাইদা অথুম অহাও অড়ুনা পানা অমদি লৈকাই মরিগী মহুৎশিনবশিং, মীয়াম অমস্তুং নিংথৌ অঙম অথৌশিংদা য়েঙ্খোক্তুনা পীজবা; অস্নুম্না অরি-ববু পীকশিন ভাশিনহল্লগা; অনৌবগীনা হলি দল শিংখত্তুনা হলি শকপা অমস্তুং হলি দল অমনা কৃষ্ণনা লুচিংবা নন্দগ্রামগী কাংবু শাবা অড়ুগা হলি দল অমনা রাধানা লুচিংবা বরিশালগী কাংবু শাবগা কাংবু অনি অসিনা হলঙ্কার শাম্নবা; অসি মখৈ হাপচিল্লগা লাইকৈ-থেলকাবগী থৌরম পাঙথোকপা হৌখি। লাইকৈথেলকাবগী থৌরমদা অনৌবা ধর্ম্মগী হলঙ্কার হাপচিল্লকপা অসিদগী লাইকৈথেলকাববু হলঙ্কার হায়নস্থ খঙনবা হৌখি। য়াওশঙগী কুম্মৈ ফিয়োং মন্নামগী লোইশিনবা ওইনা লমদাগী ২০ নি পানবদা পাঙথোকই হায়ড়ুনা লাইকৈথেলকাবগী থৌরম অসিবু মিকোন-থাগোনবগী থৌরমনি হায়নস্থ খঙনৈ। অড়ুনা অহল লমনশিংগী মতমদদি লাইকৈথেলকা-বগী থৌরম অসি পাঙথোকপ্রবা মতুংদদি থাবল চোংবনচিংবা য়াও-শঙগী থৌরমশিং অমত্তা মখা চথবা য়াদ্রে, তৌহৈদ্রে হায়ড়ুনা তৌন-রমদে। অস্নুম্না খৃঃ ১৭৭৯ নোংপোকলৈরিখোম্বনা পাংথোকপা হৌ-খিবদগী হৌজিক ফাওবা কায়দনা চহি শুদিংগী পাঙথোকলি। ●

মেৱা মেল তোংবা

ঐচঃ কুলবীধু

মেৱা মেল তোংবা হাঙ্গবা অসি সনামহি অমসুং পাখংবা লাংপা মীতৈশিংনা চহি চহিগী ওঙ্গনা সনামহি অমসুং পাখংববু পুন্না মেৱা থাগী থানিন্দগী মুমিৎ নঙানি চুপ্পা ঈৱাং থৌনিববু মেৱা মেল তোংবা কৌঈ।

কংলৈবাক্কী অমদি মনিপুবগী যুম খূদিংদা সনামহিনা নিংথৌ ওইবিষ্ণুনা ঈবুংঙো মাবু ঈৱাংলি। নিংথৌনা অমদি মীতৈ পুম্বনা পুন্না পাখংবা ঈৱাংলি। পাখংবনা অপুনবগী নিংথৌনি। চোইনা চোইনা য়েংলগা সনামহি কৌই। অতোপ্পা ৱাহৈদা হাঙ্গরগনা হিংছনা লৈনবগী মচাক ময়াম্বু সনামহি কৌই। হিংছনা লৈৱগা পুক্লিং থাখল, খম্মোইনা চিংবা কংলৈবাক্কী পোংশক খিবিকপুনা পাখংবা কৌই।

হিংছনা লৈনবগী মচাক অমুক কুপ্পা চোইনা য়েংলগনা লাইপুংথৌ মাপন অচ্চগা লাইনুৱা তৱেৎ হাঙ্গনা কৌখৱে। লাইপুংথৌ মাপল, লাইনুৱা তৱেৎ পুল্লগা সনামহি কৌখৱে। লাইনুৱা তৱেং পুল্লগা লৈমৱেল কৌখৱে। অছনা য়ুম খুদিংদা সনামহি অমসুং লৈমৱেল লাংলি।

হিংছনা লৈবা থৌবাইবু সনামহি কৌনা লাংলি। থৌবাই মসক থংনবা থীনঙৈদা থৌৱাইগী লৈফম হকচাংগী কায়াং অমদি

থোৱাইগী লৈফম লাইফম থিবিক সংস্কৃত লোন্দা হাঙৈরগনা ব্রহ্মস্বাকার থিদোকই। থোৱাইগী লৈফম লাইফম থিবিকপু পুম্মা "উমং লাঙ্গ" কৌনা কৈলবাঙ নিনরি। চোইনা চোইনা য়েংলগনা তোংজাঙন তেংজানবা মিংলেল মিথৈ থোক্লে। লাঙ্গ ঈশিং চাইবী যুমজাও লাইরেম্বী, থাংজিং, মারজি, বাংবুরেল অস্তম হাঙৈনা তোংজান তোঙ্গানবা মিংথৈ লৈ।

মীতৈসিংদি "নিরাকার" লাইনিং নিংঙ্গ "স্বাকার" লাইনিং নিংদে। লমলেন সাকোক থৌবা পুযানা তাকাপগি মাহুদি ঈশানা অশাবু থংনবা থোৱাই মশক থংনবা অমসুং মীরেল মশক থংনবা থোৱাই মাবু থিগৎচৈ, মীরেল মাবু থিগৎচৈ। থোৱাই মাবু থিববু সনামহি কৌনা নিংনরে। মীরেল মাবু থিববু পাখংবা কৌনা নিংনরে। থোৱাইগা মীরেলগা থাইদোক্লবা য়াদে। অহুনা পুম্মা ঈরাৎ থৌনিনৈ।

থোৱাই মাবু থিনজৈদা থোৱাইগী লিকলম লিখুন লাইকম ৩৬১/৩৬৪ থক "উমং লাঙ্গ" কৌনা নিংনরে। মপু শাইওন লিকলমনি মাগী লাংওন লিথুগি উমং লাঙ্গ কৌরিবসে। মপু শাইওন থিনপুংনি, মাগী লাংওন থিনপুংনি থিন নিংনপুংনি মীতৈশিংগী।

থোৱাই মানা চৎলবদি মীরেল মাম্নু চৎথি। থোৱাই মানা লৈরিথে মীরেল মাম্নু লৈগনি। অহুনা সনামহি অমসুং পাখংবা পুম্মা চহি থুদিংগী য়েরাগী থানিল্লগী মঙানি চুপ্পা মীতৈশিংনা ঈরাৎ থৌনিনৈ। চোইনা চোইনা থিরগনা উমংলাই কৌনা ঈরাৎনৈ।

ফম্বাল লোল— ঈরাং থৌনিবা মতমদা ফম্বাল লোলগী মতুং ঈন্না ফম্বাল শেমগনি। সনামহি অমসুং পাখংবগী ফম্বাল অনি শেমগনি। মথক্তা থাক্কল অমা থনগনি। ফম্বাল অনিগী ময়াংদা লফু মতুপ অমা থমগনি। ঈরাংফু অমা লফু মতুংকী মনাক্তা থমগনি। মচু তরেংকী ফম্বাল তাবংতু থাগনি। চৈরাং লৈরাং লফোই কৎকনি। সনামহি অমসুং পাখংবগী ফম্বাল অনি অতু লাই মুরা তরেংকী ফম্বালনা কোইশিনগনি। লাইপুংথৌ মাপনগী ফম্বাল মাপন্না অমুক কোইশিনগনি। লাইয়ামগী মতিক চাবা খ্বাংচেৎ নমথাং লাংগনি। ফম্বাল লোল লোইরে।

ফীরাল— য়েক শলাইগী মচু তরেংকী ফীরাল কৎকনি। ধূপ থাংমৈ কৎকনি। লাইশোল, তিনশোন, ঐগ্রী চোংবা, হৌ চোংবা পাংথোকনি।

ঈরাৎ থৌনিগী মথং মনাও— সনামহি হান্না ঈরাৎ থৌনিগনি। মথংদা পাখংবা ঈরাৎ থৌনিগনি। শাঈবা কাংথক্তা ফম্বাল শেমগনি। চৈথোক চিংদগী উনা কাংথক শাগনি।

মেরা মেন তোংবদা খুক্লমগদবা লাই (শেম্মীবা মপু): সনামহি অমসুং পাখংবা কনানো হাঈরবদি শেম্মীবা মপুবু খংজ্রবদি য়াত্রে। অদুনা শেম্মীবা মপুবু খংনবা থিবা তারে। মীতৈশিংনা শেম্মীবা মপু অমা লৈ হাঈনা থাজৈ। অদু ওইরবদি ঈবুংঙো মাহাকী মসক মওং শক্তমদি করম তৌই।

ঈবুংঙো মাহাক্না মাহাকী খুৎশেম মরাম অমা উহল্লে। মৈথু উরগা মৈ লৈ হাঈবা খংবগুম্ন খুৎশেম মরাম অমা লৈরবনিনা অশেম্মা

মপু অমা শোইদনা লৈকম থোকই। খুৎশেম লৈবনা অশেম্বা মপু অমা লৈ হাঙ্গবা থাজৈ। খীবা লুবা মপুনি, খংবা লুবা মপুনি। খুৎশেম্বুনা উৎথোক্লগ মশাবুনা লোৎশিল্লি।

ঈবুংঙো মাহাক্কী খুৎশেম মশেম মন্নুংদা চংহনা খীবা নত্তনা ঈবুংঙো মাবু খীন খংনবগী পাম্বৈ অমতা লৈতদুনা খুৎশেম মন্নুংদা চংহনা মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা শেম্বী মপু ঈবুংঙো মাহাকপু খিজরমই। ঈবুংঙো মাহাক্না শাইওন লাংওন পুথোক্তুনা মাগী খুৎশেম পুন্নমক পুথোকলমলে। ঈবুংঙো মাহাক্কী ওন্না ওন্না শাইওন্নক্লে (He has been on a process of dialectical self-evolution) অমসুং ওন্না ওন্না লাংওন্নরে (He has been on a process of dialectical self realisation)

শেম্বীবা মপুনা শাইওন তরা (ten) ওন্নম্মে। (১) মাপাম নাইত্রবা অহাংবা মকোইরেল অসি ঈবুঙো মানা শাইওলম্মে (২) অহাংবা মকোইরেল মন্নুংদা ঈবুংঙো মানা ওন্না ওন্না সুমিৎ শাই-ওলম্মে (৩) মালেম শাইওলম্মে (৪) থা শাইওলম্মে (৫) থোৱাই মী-চাক শাইওলম্মে।

সুমিৎ, থা অমসুং থোৱাই মীচাক্না থক্তা থমলগা থকী চুক ওইহল্লে। মালেমনা থাগী চুক ওইওল্লে। থক-থা চুক অনিগী মরক্তা ঈবুংঙো মানা ওন্না ওন্না শাইওন্দুনা (৬) মৈ, (৭)ঈশিং (৮) মুংশিং কৌরিবসে ঈবুংঙো মানা শাইওলম্মে।

হোৎজিক পুন্না শাইওন ৮ (নিপাল) সুরে।

হাঙৈষিবা শাইওন নিপান অসি পুল্লপ পুনশিল্লগা মথং ওল্লা শাইওল্লে। (৯) থৌবাই ওইনা শাইওল্লে। থৌবাই ওইনা শাই-ওনববু "সনামহি" কৌনা ঊরাংনরে। (১০) মথং পুক্লিং, ব'খল, খম্মোই অমস্তুং মীবেল কৌমা ওল্লা শাইওল্লে। ১০সুবা শাইওনবু "পাখংবা" কৌনা লাংনরে।

শেম্নীবা মপুগী ৯ সুবা শাইওন অসি মতৌ করম 'তানা অহাংবা মকোইরেল, মুমিং, থা, থৌবাই মচাক, মালেম, ৈম, ঊশিং অমস্তুং মুংশিংতগী মতৌ করম্না থৌবাই শাইওল্লকপগে হ'ঈব অত থিগৎনৈ। থৌবাই পানবা মপোক্তা থক অমস্তুং থাগী চুক অাংগী মতৌ তমহনা নিপা মুপী অমদি লাবা অমস্তুং অমোম হাঙৈনা নেগে-টিভ এণ্ড পোজিটীভ পুংবা শেমই। মফম অমতদা সুনা শেম্বা য়াদ-বনা মফম অনি থোক্লা সেমই। থোরাই মাবু খানবৈদা মপাদা করম তৌমা লৈবমই থীগৎনৈ। মপানা থা অনি নাওপুবি। মমানা থা তম্না নাওপুবি। অহু নোংগীদমক্তনা লাই হরাওবদা মথাগী অস্তুম্না শকনৈ।

কোইবো থক্তা (মপাদা) নোইরে।
নোংদোন থক্তা নোইরে॥
মালেম থক্তা (মমাদ) নোইবদি,
মৈনা বাইনা নোইয়ে,
তাংনা শম্না নোইরে।...... ......

....

মমাদা থা ১০ গী মম্নুংদা মতৌ করম্না ঈ মতুমদগী (from spermotozo) অঙাংগী মওং মতৌ সকতম ওইরকপগে।

লাই হরাওবগী ঈশৈ ওইনা পাওখুম পীজগে। লাই হরাওব হাঈবা অসি করিনো খংনবা অমদি নৈনবা য়ানবা।

অহানব মক্তদা "লাই হরাওবা" হাঈবিবা অসিনা করি হাঈ-রিবনো হাঈব অহু থম নৈনবা অমস্তুং খংদোকপস্তু মকাম্নগনি নিংঙৈ। হাঈরিবা মমিং অসিদা খংলগস্তু লাই হরাওবদা তৌরিবা, উৎলিবা, ডাকইবা পুন্নমক থম নৈনবদা য়াম্না হুদোং চাগনি।

"লাই হারাওবা" হাঈবা অসি অপুনবা বাহৈনি।

লাইগী চৈসিং লাওথোকপা=চৈরাওবা। লাইগী হৈঈ, হৈয়া (হা), কোম্ন চক্লা চিংবা চকশিং লাওথোকপবু, হা-লাওবা= হরাওবা পুম্না "লাই হরাওবা" কৌই।

অহু ওইরবাদি হৈঈ চক্, হয়া চক্, কোম্না চক্ অমস্তুং লাংব চক্ হাঈবা মখোই অসিনা করিনো?

মপানা নাওপুরিহৈঙদনা হৈঈ চক্ কৌই। মমানা নাও-পুরিহৈঙবনা হয় চক্ কৌই। অহুম্না চকপয়োল অমদি নৈশেমলোল অমদি মীসেমলোল নৈনবা, থীদোকপা, সকপা অমস্তুং সোনববু লাই হারাওবা" কৌই।

থোবাইগী লৈফম, তুংকম, লিকলম লিখুন ৩৬১/৩৬৫ থী-দোকলগা অপুনবা মমিংনা উমং লাই কৌরগা চোইনা চোইনা থির-গনা অরাং কৌত্র অস্তুধা, নোংপোক চিংথৈ অপানবা, থাংজিং,

মারফিং অমম্নুং বাংবুরেল চাঙ্গনা কৌর কৌরহুনা থৌরাং মাবু থীববু মীরেল মাবু থীবব্ সংস্কৃত লোন্দা হাঙ্গরগনা ব্রহ্ম স্বাকার থীবব্ "লাই হারাওবা" কৌনা ঙিংথৈবিরমলে মীতৈ ঈপা ঈপুসিংনা। মীতৈ মচা মম্নুশিংনা কৈরাক থক্তা কাজরকপা ওম্নবা কৈরাক বাংনা থাবি-রমলে। অবাংবা কৈরাক্তা কাগে ঈস্তাজবা মচা মম্নুসিংদি পোটনা মাইকৈ।

উমং লাই ৩৬১/৩৬৪ অসি লবাই লেক্ফদগী খুন্দাবা অম্নুম অম্নুম সন্দোকখিবা হোই। অহুনোংগীদমক্তনা ঈশৈ ওইনা হাঙ্গরগনা অম্নুম্না শকনৈ।

অবাং কৌব্র অম্নুপ্না,
লাইয়াম খুন্দা অহানবা,
সনরিক মাপাল থাব্রিঙৈ
সনরিক মাপাল থাবিবা
নোংথৈপ্র মউ লিংব্রিঙৈ,
নোংথৈপ্র মউ লিংবিবা
ঈবুংঙো মাবু পুনেমজৈ।

লবাই লেক্ফদগী অম্নুম অম্নুম খুন্দারক্নুনা উমং লাই ৩৬১/৩৬৪ হকচাং মনুংদা খুন্নাখি। মাহু থংনবা মপান্দা উমং লাইশিংগী খুবম থমই।

অহুগা মাইবীমা লাইমাং কমদা অম্নুম্না চাঙ্গঃ— নহানবোং (অহুঙৈ) (Not Nahalle) হয়ি হয়াঙৈগী তাইবং মালং পান্ ——।

অশুম তোনা খোবাই মাবু খিববুনা চক কয়ামকম খাইছুনা চকপাবোল কৌনা খংনরে। পুক্লিং, বাখল, থম্মোই অমস্তুং মীয়েল খীববুনা পোইরৈতোল খুন্থোকপা অমস্তুং কংলৈরোল মাপন কৌনা খংনরে।

Poireiton khunthokpa puya deals with instinct and psychology and nine kangleirol puyas deal with psycho ethico-psycho analysis.

চহি ১২/১৩ সুরগা মপুং ফারবা মতমদা অমৌবা সেক্লগী খুৎশেম অমা হোই। মসিদগী কংলৈরোল ৯ হোরে। মোইরাংগী লিলা (কুম্মৈ) হাঙ্গৈনস্থ খংনৈ। নোংপোক নিংথৌ পাম্থোইবীদগী হৌরগা খন্না খোইবীদা লোইরে। য়েক ৭ কী মস্তুংদা খুমনবে মোইরাংবে অমস্তুং অঙোমবে অহুম অসিগী লিলাবু মোইরাং লিলা হাঙ্গৈনস্থ খং- নৈ। মসি শাম্নরিবা উমং লাইগী মমিংনা খাংজিং কৌখরে।

বাকোকলোল খীলেল সলাই অমাইলোল (পুকোক হাওদবা) পুয়ানা তাকলি। খাংজিংদগী কৌত্রু .কাওববু মোইরাংনা সাংবা লম কৌই। নোংপোক নোংচুপ্পু কেগে কৌই। হকচাংগী ওইখংবা শক্লকপু নোংপোক কৌই। য়েৎখংবা সক্লকপু নোংচুপ কৌই। কৌত্রুদগী খাংজিং কাওবদা খুঞ্জাও ৯ লৈ; লৈকোই ১২ লৈ। চাওই সাংইগী মথক্তা খাংজিং চিংজাওদা হুত্তুনা খুন্দাখা মোইরাংনি। □

অইবগী 'শ' অসি 'স' ওইগদবনি।

মেরা হাওচোংবা

শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ।

চৌংমীশিংব মৈতৈনা হাও হায়না খঙৈ। কুম খুদিংগী মনিপুর নিংথৌগী মথাদা লৈবা চৌংমী মীশিংনা মেরা থাদা মৈতৈ নিংথৌদা মায়োক থানবা মাগী মাগী খুন্দা, মরমদা থোকপা পোচ্চে পুথনা লোইপোৎ কৎপা লাকই। অমগা অমগা লোন তিম্নদবা, ফিজেৎ মায়দবা তোঙান তোঙানবা কাঙলুপকী চৌংমীশিংনা চৌংদগী ওমদা কুমলক্তুনা মাখোয় মাখোয়গী, অরৈবী ফজনা লৈতেংলবা ফিজেৎ শেৎতুনা মঙক্তা মথল মথা অয়াম্বা লীক মোইরীক লিকোন পরেং পোহায়চিংবা শিন্নুনা মনাদা কনাগুম্বনা নোংথৈনচিংবা য়াম্দুনা মপামবোমদা শামু ময়াগী লৈতেং, মখোঙদা খুবোময়াইনচিংবা শিরগা মকোক্তা লৈতেংচুমা মখোয় মখোয়গী কাঙলুপনা মপাঙল কনবা, ফজবা হৈশিংবা হেল্লি হায়বা উৎননবা মৈতৈ নিংথৌগী সনা মাঙদা কুম্মৈ তৌই। কুম্মৈ অসিদা মখোয় মশেন নুংনচিংবা অরুম্বা পোৎ থাংগৎপদা কনবা ভাম্মে। অন্নম তৌনা মৈতৈ নিংথৌগী সনা কোম্মুংদা লোইপোৎ কৎপা লাকপদা চৌংগী হাওশিংনা মনিপুর মহারাজগী সনা মাঙদা মাগী মাগী তৌবা ওম্বা মতীক উত্তুনা মেরা থাদা নোংমথক কুম্মৈ তৌই। মসিবু মেরা হাওচোংবা কৌই। মৈতৈ নিংথৌনস্থ চৌংমীশিং অহুবু য়াথনা পীজ পীথক তৌই। য়ু পীথকই, শা ঙা পীদৈ।

মৈতৈ নিংথৌনা মনিং তমনা পাল্লিবৈ হায়বদি ইংকুমভা ১৮৯১গী মমাংদদি হাওচোংবা অসি হৌজিক মরিগুবা আসাম রাইফল লৈরিবা বোন্নুং তমনবগী বংলা উত্রা মমাংদা লৈরম্বা বংলা শাগী নোংচুপ, নাকংথংগী অরাং নোংচুপ ওইরম্বা, নুঙ্গোইবীগীনা খা-মোইরাং লাইজি পা লপ থেংবা লম্পাক অমদা মেবা হাওচোংবগী কুম্মৈ অসি পৌরম্মী। কুম্মৈ অসি মনিপুরগী য়াংলা ঙাইবা কুম্মৈ অমনি। অসি চীংতম অনীগী চাম্ন চিন্নবা লৈমিম্বগী পনম অমনি। অমসোমদা মবোম তিন্নবা ওতাগান ওতাংনবা চাংদা লৈবা নিংথৌ খুম্নাকপা য়াইতো, খংচে, মনাম পুন্না উম্নবা অমগা অমগা খংনৈন অতুগা মৈতৈগী অডম অখো ফম্নাই হনাইবনিংগা মথোয়গগী লৌচৌনা শকখঙ মায়পাকনহুনা অমগা অমগা চাম্ন-চিন্নবা পূমচেল-খোয়জেল তিন্নবা লৈবাক অসিদা লৈমিম্নবগী কুডাইব ফোংদোকপা কুমিংনি। হাওচোংবগী (Hawchengba) মরমদা কেপ্তেন ইঃ ডবলিউ ডম্না গেজেটিয়ারদা মথাগী অসুম্না ইরম্মী—

There are three public festivals or games held annually in Manipur, and which a e peculiar to the country, are of great antiquity, and are unconnected with religious matters. The first of these is held in July, and consists chiefly of foot races. This is called "Lumchel" (Lum or Lambi, a road, chelba, to run). The next in September' called "Heeyang" lasts five days. The chief sport is boat racing on the moat in front of the Raja's place. The third is an assembly of the hillmen under the Manipur Government, called Haochongba.

HAWCHONGBA

The festival in October last for one day; it is a gathering of the hill tribes under the Manipur Government. and is curious sight on account of the great number of different tribes assembled, with their curious dress and weapons, differing from each other in feature and Language, but all unanimous in one particular, to get drunk as speedity and remain so as long, as possible. The hillmen indulga in feats of strength before the Raja, as carrying heavy wights, etc. Thay also indulge in war dances and sham fights. The sports of the day conclude with a feast, at which they are regaled with the flesh of cows, buffalees, dogs, cats etc; which may have died in the valley. The flesh is dried and preserved on purpose for this faest.

Gazetter of Manipur by E.D. Dun 1886

মেরা হাওচোংবগী মশিনঃ—

ইমু ঈঙোগী পোৎনাদি শীংলেন অনীনা শয়েং পাউ ঙা ১। থাঙচি কাঙপোন ১। ঙমূ কাঙপোন ১। চীনওক ১০। হাওথিবদা মী অমনা শেন ১০০। মী অনীনা শয়েং পাউ ঙা ১। হেস্তাক চফু ১। ঙমূ কাঙপোন ১। থাউমৈ থোয়ী নাএ। কোংপারেন কংলে॥

উয়োইহি উচান থাউমৈ থোয়ী কাইয়ং। মী অনীনা শয়েং পাউঙা ১। ঙমূ কাংপোন ১। চীনওক ১০। হেস্তাক চফু ১।

কুমফিগী পোৎনাদি মী অনীনা শয়েং পাউঙা ১। থাঙচি কাঙপোন ১। চীনওক ১০। মী অমনা শেন ১০০। হেস্তাক চফু ১।

কোনয়াংগী পোৎনাসু অসিনি

ককচাংগী পোৎনাদি— থোকন অমনা থাইচা ২। থৌমী ১না থাই-চা ৪। সোইয়াইনা থাইচা ২ ॥

ময়াং **নিংথৌনাইগী** পোৎনাদি শরেং ভাতাই নাএ।

ময়াং লেমনাইস্ শরেং ভাতাই নাএ।

থুমলোইনা সামন থুম নাএ।

কেগী পোৎনাদি মাতারক থোইচু লৈখাম য়াংকোক শুমচিং য়েন্দাই চেঙচামলক।

চোথেগী পোৎনাদি— চাকথুরুম ফিতুপ ১০। ফিতুংইন ১০ মিৎ-লং ২। মায়রং ২। চাক পাউতম ১০। কুরেক ২। শুমচিং ১০। ভূয়ত্রি ১০। লোং ১৫। তাপু নাশিথাং ১৫। শাইরুক ১৫। লুপাক চেংপোন পুনুং ২। পাউতম ১ ॥

লাংঙেগী পোৎনাদি শঙুং ১ নাএ।

আইমোন্দি— চাকথুরুম ফিতুপ ১০। ফিতুংইন ১০। মিৎলং ২। পাউতম ১০। কুরেক চারোন ২। শুমচিং ১০। চাক পাউতম ১।

খুনপিচারমস্ অক্মানে।

খুনবীনা হাল্লগা মচীনা কৎকনি। অতুদগী থূদৈ খূলেন, কাংঙোই, কারোঙথেন বাবচীং কৎকনি।

তাংখূল থাকপ কী পোৎনাদি— চা থাপক ১। শিংথোইপাক ১।

ইমু— লোকতাক (পাৎ) মপান্দা ভাবা খুল, "থোইরম— থোইরম কৌবদি পাৎপান ভাবমু কৌএ। থোইরমু— ইমু কৌএ। "ফমলোন"

ঈঙৌ— তুরেল মপান্দা ভাবা খুল; "ঈরমু— ঈঙৌ কৌএ"— ফমলোন।

শেন চামা— শেল মথায় নীপান।

শিং খোইপাক অমা নাএ। কৈথেল ঈরাংনয়ে। লমচা•ম পুযে। কৈরুংবদ শেল লাখা অম কংলে। খুন অপিশানা লীশিং ৫ কংলে। তাংখুল অবাং লুপ্তি— লশিং পোন ১। শিং পোন ১। হৱাইপোন ১ নাত্র।

ঈৰম মোনখো কৈহো উমং খুল মরিমক্তি মঙতারুক কংলে। লমচাপতা ফি কংলে।

মরিংগী পোংনাদি পোন মমুংদা থাঙ হাপ্লুনা বংলে। হৈমাং পোলাং কংলে, থাঙ অমা থেংলে। ফিমুনা য়োম্মে।

খোইপুগীদি পানচি অমনা কুমনা পোন ১ চাক পাউত্তম ৫।

লাইরম চাংশাংদি ফক পাউতম ৫, নাপু পাউতম ৫।

থারম চাংশাংদি চীংগুপু পোং নাএ।

মাকাসাং ফ ইরোং অনীমক্তি পান্না কংলে।

তরাউদি— হৈ পোন, ফিমু কংলে।

ময়োন্দ— খোয়দিং নাইফি অমনা নাএ।

মোমশাংদি— খোয়দিং, ফি নাএ।

পুরুম নিংথৌনাইদি— কাইরেন ফি ২ ফিতেন ২ খোয়দিং চাং অমানদি— খোয়দিং পোন ১। উচান শুক ১ হিদাক পোন ১ শেল লাখা ১। খমশোন্দি খোয়াদং নাএ।

ৱাংথৈরোইদি পানচি অমনা লশিং পোন ১ পোনথক পোনখা নাএ। খোয়দিং পোন ১ শিংপোন ১ কাংহু পোন ১ পোন মতুং ইনবা লিহিং মপাক ১০ পাউতম য়াইঙং হারৈ ৫।

ল.হুপ্পগী পোৎনাদি লশিং পোন ১। শিং পোন ১। থোয়দিং পোন ১ নাএ।

মকেং থংকান্দি পানচি অমনা ফি অমা নাএ।

নুরাখেম্বা, তুমনো-পোকপী, ময়াংখাঙ. থুম ময়োন খ.ন্নৌ খ.ঙ্গেন খ.ন ৫ মা মোইযুম (Rubia Sikki mensis (Bot.)। তোকপা খ.ন, খোন্নমপা, নোংকো, চাঙৌপুং থুন মরিমক্তি নাই ১ কৎলে।

লাংগাদি খোইক নাএ। শাম্ব পূকলী নাএ। দোলাইগী চোমংলী নাএ।

মখ.ই লাম্লে'ইদি চুঙগী ইঙেন লৈশম কৎলে।

মথান খ ঙ্গেন খ.নৌ অনীমক্তি তৈঞ্জে কৎলে। লশিং পোন ১ কুমনা পোন অমা কংলে।

কবুই চাংমারগী পোংনাদি য়েল্লাইচি কৎলে।

ইরেৎনে কাৎচুপনে কাগ্লাখ.ন অবাংনে কোনসা খূন্রে মরিমক্তি থোম্বী পয়া কৎলে।

·নাতোকপনে কবুই অনোবনে ঈচুমনে মুংপঙনে থুন মরিমক্তি থোৱী পয়া শারামথাউ যেন্নখৎ পুলেমানবী মেক্র.ক মুকথ.বী কৎলে। লাকে ক শারম্বদি ঙাইখোং পোৎলেন অহুম নাএ। হাওচোংবগী মশিন। "মশিন" লাইরিক্তগী থঙবদি— সাইপুমনে, মুংকোৎনে, আ-লুকনে, পনশাংনে, খোঙশাং খূন্নে, শিকাপুংনে অসিদি খুন অমমমনা মেরাদা শন্দং অমা নাএ। তিংশাংনা যু অম্রোনা থাইযু কৎকনি। "শঙপানবগী মশিন" দা হায়বনা "হাওজোংচুংগী সবাচুংগী শিম্বাদি উরুংব', পাইশুবা, শিন্নাইব; নান্দেবা, অয়েকপা, থাঙজা পান্নবা অসিদা থাগনি। অহুগা হাওচোংবগী চুং পুথোকপা অসি কংলাদা থাগনি। "শঙ পানবগী মশিন" লা. ৩২, ৪৪ 

সজিবু চৈরাউবা

কাংজীয় ॥

বাহৌদোক

মালেম অসিদা হিংলক্লিবা চাওখৎপা ফুরুপ অয়াম্বা মখোয়গী চাওখৎলোন্দা মতম পাবা অমম্থং চহি মসীং থঙ্‌নবা থীবা অসি তৌনরকই। অম্মুম্না থীরকপা জেসস্‌ খ্রাইস্তগী লৌবা খ্রিস্তগী চহিরোলনা ওসিদি ১৯৭৯ সুরে। ভারতবর্ষদা চংনরকপা শকাব্দগী চহিরোলনা ১৯০০ সুরে। ভারতকী মফমদমু লৈবাক থরগী চংনবী চহিরোল খুদম ওইনা বেঙ্গলগী বঙ্গাব্দনচিংবা লৈরি। অমুম্না মখোয় মখোয়না পাজরকপা চহিরোলদা অরীবা চহি অমগা মথংদা লাকদোরিবা অনৌবা চহি অমগা-অনি অসিগী লোম্নবা লাকরেল তাইবদা মফুরুপসিং অহুগী মপানাৎ মপুনাৎকি চংনবী হাংলোন্দা থৌরম পাংথোকই। অহুগা অনৌবা চহিগী খুজিল থৌরাংপা লোইননা চংশ্রবা চহিহুবু তুংওইনরম্মী।

অমুম্না মীওইবগী চাওখৎলোন সাগৎপদা সরুক য়াম্রিবা অনৌবা চহি অমমম লাকপা খুদিংগী পাংথোক্লিবা থৌরম অসিবু কংলৈপাক অসিদা "চৈরাউবা" হায়না চংনরকই। সজিবু থাগী ইহান হানবা মুমিং নোংমা পানবদা পাংথোকই হায়হুনা লাইথৌ অসিবু 'সজিবু চৈরাউবা' হায়নমু থঙ্‌নৈ। চংখিব চহিগা তাইনৈ

হায়বগী কুমগী লাকয়েল তাইবসু হায়নৈ। লাইথৌ অসিনা কংলৈ-পাকী চহিরোল পাবদা অথম্নবা থৌরম অমা ওইনা অম্মুম চৎনরকই। মুমিং অসিদা লাক্লিবা চহি অহুদা থোক্লবা য়াবা ফম্ত-হৌদি, তিনমু কম্তবা, লাইমু কম্তবা, হকথি-সোইনাই, কম্নক-য়েংথি, মী-মম্মু সা-মম্মু পুম্নমক চাকথাক তমম্মুনা তাইনৈ, কোকথোক চামথোকই। অসিগুম্বা লাম্লুথৌ অসি মপুং কানা তৌনম্রিদৈগী মতমদগী চহিরোল পাবা অসিমদি য়াম্না সাংনা চৎনরকপগী খুদমম্মু কংই। খুদম ওইনা জেসস্ খ্রাইস্তনা তাইবং কাওগদবা চহি ১৩৯৭ লোম হাৎলিদৈদা কংলৈপাক অসিদা পোকখিবা নোংথোংলোন হৈবা মলিয়া ফমবালচানা "ঈস্তা কুমদম ঈশ্তেল কুমথাই লৌহুনা" চহিরোল পারকপগী বারোল অসি অরীপা পুয়া কয়াদা ইহুনা লৈরম্মী। মলিয়া ফমবালচা হায়রিবা নোংথোংলোন মুবা ফাখিবা অসিনা ঈস্তা কুমদম ঈশ্তেল কুমথাইহুনা পায়কপা কংলৈপাক অসিগী চহিরোল অসি খ্রিস্তগী চহিরোল ১৯৭৯ সুবা অসিদদি ৩৩৭৬ সুয়ে। অম্মুম্না "বাকোকলোন খিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক" কৌবা ঈয়েক ১৮ তবা ঈয়ম্বা পুয়া অসিদা ইরিবা মলিয়া ফমবালচাগী চহিরোল অসিমা খ্রিস্তগী চহিদগী চহি ১৩৯৭ হল্লি। অহুগা হিন্দুসিংবা চৎনরিবা শকাব্দ অসিদগী চহি ১৪৭৬ হল্লি।

লমদম অসিদা অম্মুক সাংমা, মুমিং, থা, থবাইথিচাকী থোং-চৎ য়েংহুনা চহি পাবল্লিবা অমদি মমৈথংদা চহি পাবা অহুগী মপুং ফাবা লাইথৌ অমা "সজিফু চৈয়াউবা" কৌহুনা চৎনরক্লিবা অসি

ঈনিংথৌ পামহৈবা সনা হাকথক্তা সাত্তদাস মহন্তগা লৌতুনদুনা কংলৈপাক্কী পুন্না কয়া কংলা উত্তা মাংদা মৈ থাদোকপ্পবা মতুংগীদি হিন্দুসিংগী অনৌবা লাইনিং লম্বী কয়া পুসিল্লক্লুনা মখিঃ সামথরক-খি। মোংমা নোংমগী কংলৈপাক্কী থাইনগী ঈপানাৎ ঈপুনাৎকী থো-রম কয়া মপান্দগী লাকপা ঈথিল কয়াগী মচু সঙ্‌জিল্লকখি। মপান্দগী ঈথিল চংসিল্লককপা অসিগী মহৈঃ ওইনা সজিফু থাগী নোংমা পানবা অহৌবা সুমিৎতা চৈরাউবগী লাইথৌ পাংথোকলম্বা অত্তগা য়োৎচাবী অমনা য়োৎতেক থাংতেক চিংসিন্দুনা নপসিনখিবা অদুগুম্না হিন্দু-সিংগী "চড়ক পূজা" অসিদা চিংসন্দুনা নপসিনল্লে। অদুনা গৌরিয়া মনাই ওইবা বৈষ্ণবসিংনা চৈরাউবা হায়রগা হৌজিক হৌজিক থঙ্‌-নরিবসি "চড়ক পূজা" সুমিৎ অসিবু ওইহল্লে। মসি তসেংনা মী-হৌমোন য়েংদুনা হায়বা তারবদি হিন্দুসিংগী লাইনিং লৌরুবা অদুগী মহৈ অমা ওইনা "চৈরাউবা" থোরমবু সুমিৎ মায়দবা "চড়ক পূজা" অসিনা সুমিৎ নরুবা অদুবা চেনথুখিবনি হায়দবা য়ারোই। চেনথু-খিবা অসিনা হেনজিনপ্পবদি চৈরাউবগী রাহনথোক অমদি কায়বা পুম্নমক মথং মথং মাংখ্রগনি। মরম অদুনা এথোয়না চৈরাউবা থো-রম অসি কুম্না থিগৎতুনা ঈপানাৎ ঈপুনাৎকী অসেংবা লল অমা ওইনা অমুক হন্না লাল্লিবসি চুমথোক্লুনা পুথৎপা অমদি চৎনবা মথৌ তাই।

নৈননবা মচাক লৌকমসিং

সজিফু চৈরাউবা হায়বা লাইথৌ অসি লাইনিংথৌ সনামহী লাৎ-পা ঈমুং খুদিংনা তৌনরিবা অমদি লৈপাক্কী ওইনা লাই নোংসাবা,

পাথংবা, য়ুমজাও লাইরেম্বী, থোংঙাক লাইরেম্বী, লাংগোল নিংথৌ, তরুং লাইরেম্বী, হুইদোল পোকপী, মঙাং সিদবা, লুবাং সিদবা অমদি অমদি খুমন সিদবা লাইয়ামসিং আসদা লাইথৌসিং পাংথোকফম থোকপা মরমনা থৌরম অসিগী মরমদা ইব পূয়ানচিংবা মসীং য়াম্মী। লাইথৌ অসিগা থাদোক্নবা য়াম্রবা পুংলুপ থোৎপা, সিংথেক সিংথাবা, সিংসৎপা, চৈ থাবা, ঈসাইফু লাৎপা, য়ুথক পাবা, সলাই ৮ থায়না পুংলুপ পুনবা অমদি সজিফু লৈথুন ফুনবা, কোংবা লৈথোং কাৎপা থৌরমসিং অসি ঃচরাউবগী লাইথৌ অসিগা মরী লৈনবা ঙাক্কনি। মসি পুমমক্কী মথক্তা সজিফু নোংমা পানবা অসিগী অথমবা লাইগী মুমিং থোকপা বারী সীংবুল কয়া লৈননিঙাই ওই।

থৌরমসিং অমদি মতম পাবগী কাংলোনসিং অসিগী মচাক তানবা তারবদি ইহান হানবদা মপুং ওইনা য়েংদবা য়াম্রবা পুয়াসিংদি সলাই পুলুপলোন পুয়া, অমম নোংলোন পুয়া, মসিল সিংথেক সিংসৎ, কুমপায়োন পুয়া, চৈথারোল কুমপাবা, পোৎসেমলোন, লাংপুম পুয়া, মুমিং চৈচৎলোন অসিনচিংবা লাইহিকসিং অসিনি। চহি-রোলগী থোংচৎ খঙ্নবা বাকোকলোন থিলেল সলাই অয়াইলোন পুকোক, ঙাসাপা সীংকক অসিমচিংবা পুয়াসিংদা লৌখুল ইরি। ঙাংকক ঙাংকক নাইনা মতেক মতেক য়াওরিবা পুয়াসিংদি— সাকোক লমলেন, য়ুম হোংপা, পাথংপা নোংথোংলোন, লাংপুম, মাইপালোন, লাইয়ুমপা সিনলোন, বাচেৎলোন পাথুপ, পোইরৈতোন খুনথোকপা অমচুং মুমিং থাগী মরমদা মতেক মতেক য়াওবা অতৈ

অতৈ সিংখাবা মাবা পুয়া কয়ামকম অসিনি। পুয়াসিং অসিদা মায় মায়বা মাকম কয়া চপ চপ মাম্না সিংখারম্বসু য়াম্না মাওদি। মতম পাবদা থৌবাইমিচাকসিংগী খোংচৎনচিংবা য়েংবদা মতেং য়াম্না ওইবা নোংদোল লাংপুম পুয়ানচিংবা লাইরিকসিংসু মচাক লৌকম ওই।

চৈরাউবগা মরী লৈনবা থৌরমসিং

চৈরাউবগী মুমিৎ — (i) সজিফু থাগী নোংমা পানবা।

(ii) সজিফু থারোয়রবদি হায়বদি থা অনি পাল্লবদি থা মতুং তাবা অহুগী নোংমা পানবদা চৈরাউগনি।

য়ুম্মাং কৈম্মাংলবদি— য়ুম সেংলগা মুমিৎ লাইচা অকবা অমদা সজিফু থাগী মমুং ওইবা মুমিৎ অমদা লাইথো তোগনি।

চৈরাউবগী মতম — (i) কোইরৌহয়না মতাংগী পুংকমদা লৈরিকৈ হায়বদি অয়ুক [মুমিৎ য়ুংত্রিতৈদনা থাইদগী কৈ।

(ii) তভাই কয়বদি নুংথিল য়াচংপুং য়েত্রিতৈদা মুমিৎ মমুম চংত্রিতৈদা লাইথো পাংথোকপা য়াই।

থৌরম পাংবা মী — (i) য়ুম য়ুমগী য়ুমুরেল য়ুমুরেম্বীনা পাংথোকদবনি (মরম খঙ্না)।

(ii) লাইপাউ তাবা, লাই লৌথংপনচিংবা য়াওরবদি মাইবা মাইবী য়াওগনি।

সিংসংপগী থৌরম:— সজিফু চৈরাউবগী নোংমা রাং-লিডৈ হায়বদি চহিগী অরোইবা থা লমতাগী থাসি মুমিংতা তৌবা লাইথৌ অহুবু "সিংসংপা" কৌই। মফমদি হৈবোক চীংগী লাই-কমদা সিংসং-লাইথৌ পাংথোক্কনি। লাক্কদবা অনৌবা চহি অসিদা সিগদবা নাগদবা মীসিংগী মমিংবু লমতা থাংজ অহানবা অমদি মথং থাংজসিংদা লাইয়াম্না খুন্দিল য়াকাহুনা সিংথেক সিংথাখিবা অহু লমতা থাগী থাসি মুমিংসিদা নাহনবিদনবা সিহনবিদনবা সংতোক-কনি। মাইবা মাইবীসিংনা হৈবোক চীংগী লাইফম অসিদা চংহুনা থাখিবা মসিংবু থৌনিহুনা সংকনি। লাইথৌ অসিবু সিংসংপা কৌই। সিংসংপগী চংগদবা পোৎচং অমদি মরম কয়া "মসিল সিংতেক সিং-সং" কৌবা পুয়াদা অস্তুম্না ইরি— "হৌজিক্কি সচিফোই লাকয়েল তাইপা, চৈলাউপগী মসিল হাঙকে। চৈলাউপা হয়েংনি হাঙপকি মুমিতাংতা লমতা থাতা খোইবুম লাইয়ামনা থাংচা অহানপতকী চয়োলকি থাংচা ৩ মাতা সিংথাখিপপু হৈপোক চীংকি লাইকমতা সিং-সংকনিএ। পোৎয়াওতি। লাইয়িংথৌকি ফিরোই অস্তুপা ১। লাই-রেমাকি ফিরোই অস্তুপা ১। থাখল ২। ফমফি মরাক তাইবা ২। ফিলাল ৪। য়োং খুনেৎ ৪। সেন খুৎনেৎ ৮। লাংথলৈ খুদাপ ১। হৈ মনম নাইপা ২। কোনয়াই পু ২। নাহাইফু ১। চেংপাক উতোং ১৫। কপোক অখিংপা উতোং ১৫। লকোই লকাং ৫। কুবা ৫। মনা ৫। হৈকং লৈকং। চুহি লী ১। লা লাপুল ১। উচান খুদাপ ১। খোইরু থাউমৈ ১০। উচিবা ১০। কমপি ১। খোইচু লৈথাম

য়াইসেং। লাইকি অকৎসেন অসিনে।" অসুম্না পুরা অসিদা য়াম্না লুনা শিংথারম্মী।

সিংসৎপগী লাইথৌ পাংথোকপা অসিদা মীসক মমিং পান-ড়ুনা সিংসৎপদা য়াওহনগে হায়রবদি থুবী তিংথৎপা বাই অমমম সাংনা সিংনাংবু থাংনা কক্‌নি। সিংনাং অককপা অহুদা মী মী অহুগী মমিং ইরগা লং অহিংবা মতৎ অমনা য়েৎলগা ফি অহনবা অমনা সেন অমা হাপতুনা য়োমসিনগনি। অহুগা থৌনিবদা য়াওহনগনি। সিংসৎপা লোইরগা নোংঙানবা চৈরাউবা মুমিৎ অসিদা সিংনাং মককসিং অহু মী মী অহুগী মসাদা পিগনি। অসুম্না চহি অহুগী য়াইকনবগীদমক্তা কোনয়াই পু ১ য়াওনা লৈ পরেং অঙৌবা লেংহুনা ঈসিং পুন অথনবা অমনা চহিহুমগী ঊসিল সিরৈ। য়াইকরোন নিবগী থৌরমসি সিংসৎ-পগী থৌরমদা মথক্তী অসিগুম্না পাংপোক্লরম্মী। অকুপ্পা মরোলদি য়াম্না সাংখিবা মরম হাপচরে।

চৈরাউবা মুমিৎকী থৌরমসিং:— চৈরাউবা মুমিৎকী ইহান হান্না পাংথোক্কবা য়াদবা মথৌদি য়ুম-কৈ সেংদোকপা, কন্ত হৌদ পুম্নমক সেংদোকপা, য়ুমগী অহো অরাক মেনসিনবা, ফিমু ফিচাম অরৈবা মীসিংনা ভোথোকপা অসিনি। য়াইসিং লমসেং ভোহুনা ঈমুং মমুং য়েনথা য়েংথুন বাই তৈগনি, চফু ইরাল কেংদোক-কনি। ঈমুং মমুংগী মী অমত্তা সাউনবা য়াদে, থৎনবা য়াদে। মুংসি-ননা, বাথল লিচিং ভিন্ননা চান্ন-চিন্ননা পুক্লিং লৈভানা, অনৌবা থৌবাগা লোইননা পুনসিগী লানথেং কয়.মায়ৎক্লনবা অবাংবা চীং

ফাহুনা অপাকপা মহৌসা লাইরেম্বীগী খুৎসেম্বু য়েংগনি, হকচাংগী পুনসিরোন সঞ্জহনা কুথসি চহিগী পাজল চাং য়েংথো কনি। হকচাংগী পাজল মরোং ভাথরে, হেনগৎলে হায়বহ চহি খুদিংগী কাবা চাং অমখু লেপ্তনা চৈরাউবা পুমিৎসিদা কায়বদি পুনসিরোন সায়বা অহয়োনসিংনা অপায়না থঙবা ঙমদৈ। মসিনা ঐমুং মনুংগী মী-সিংগী অসম্বা মথৌ থরনি।

লাইথো অসিদি ভোঙাগ্রি। মকম, মতম, মরম, কাংলোন, পোৎচং ভোঙাগ্রি। মচা থায়না লৈরে। মতুগী সপ্পমা থবদি মথাঙ্গী-সিং অসিনি।

(i) চহি অহুমগী কত্তবা তুরৈ ইরৈ চনবা পূয়মক কোকই হায়হুনা মকম ৭ তগী ঐরু ঈসেং সোক্লগা চৈরাউবা পুমিৎকী অয়ুক্তা ঐরু সাদেংবৈ। মকম ৭ অহুদি (১) থাথোং (২) লাইখোং (৩) মা-লংখোং (৪) মু'সেং ঈকোম (৫) ভাকনথা (৬) লাংগোল (৭) পুন-সিখোং অসিনি। মাংজোনমা মকম ৭ অসিগী ঐরু ঈসেং সোক-চিন্দুনা থম্লগা চৈরাউবা পুমিৎতা সাদেংগদবনি। অমম য়োংলোন কৌবা পুরানা ভাকপা মতুং ইম্না ভোয়বদি কোনরাই পু ৭ কা লোই-নন্না হৈকৎ লৈকৎ ভমহুনা ঐরম ৭ অসিগী ঐসিং সোকনি।

(ii) সে' য়োকপাঃ— চৈরাউবগী অয়ুক্তা লাইনিংথৌ সনা-মহীগী লাইরুবাক সেংদোকনি, লৈমরেলগী ঈসাইফু সেংদোকনি। সেংদোকপা মতমদা লাইরুবাক অহু মালেম লৈদা ভাবা য়াদে। হেক ভাবদা লাই লৈথা ভাবা কৌই ভৌহৈদে। লৈমরেলগী ঈসাইফু অমুক

[illegible] [illegible] [illegible]নি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]নি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]নি।

(iii) লাইনিংথৌ [illegible] অমদি সনথোং [illegible] [illegible] [illegible]:— লাইনিংথৌ [illegible] [illegible] [illegible] লাইনিংথৌ অমদি সনথোং অপানবী [illegible] [illegible] [illegible]নি। [illegible] [illegible]নি—(১) [illegible] ১ (২) [illegible] ১ (৩) ইনফি ১ (৪) [illegible] ১ অসিনা লাইনিংথৌ [illegible] [illegible]নি। [illegible] (১) ফবেক ১ (২) ইনফি ১ (৩) থাংচেং (৪) নমথাং ১ অসি [illegible]নি। [illegible] [illegible] কি ১গা [illegible] [illegible] [illegible] ১গা অনি অসি [illegible]নি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]নি।

(vi) লাইনিংথৌগী [illegible]:— লাইনিংথৌ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অসি [illegible]নি— (১) [illegible] ২ (২) [illegible] ২ (৩) [illegible] (৪) [illegible] (৫) [illegible] [illegible] ১ (৬) [illegible] (৭) [illegible] ১ (৮) [illegible] ১ (৯) [illegible] (১০) [illegible] (১১) [illegible] (১২) [illegible] (১৩) [illegible] (১৪) [illegible] (১৫) [illegible] ১ (১৬) লাইনী [illegible] (১৭) [illegible] (১৮) [illegible]॥ [illegible] [illegible] ১৮ [illegible]নি।

(v) [illegible]:— [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] শাম্না [illegible] ঠৈক [illegible] [illegible] অদু মখুং [illegible] [illegible]নি। [illegible] [illegible] [illegible] মৈন্নাইদু অদু [illegible] [illegible]-হৈগদবনি। [illegible]-হৈকং-[illegible] [illegible] [illegible] পাংলোমদি।

(vi) [illegible]থোং [illegible] চাকলূক থাবা :— [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অহুমী থোংবু [illegible]-থোং [illegible]। [illegible] [illegible]-থোং অনিগী [illegible] থোংগালদা (থোং অদু [illegible]) [illegible] থোংলিবা মখোল লুকোই মরাম অহুমগী মখোল [illegible] [illegible]। চাকলূক ৩ [illegible]নি। চাকলূক ৩ অসি হাকুম চৈরাউবিবা [illegible] অহুমী ১ [illegible] চৈরাউবা [illegible] অনিগী ১ অহুমগী নোংমৈ চৈরাউবা [illegible] অহুমী ১ [illegible] ৩ অসি [illegible]। চাকলূক ৩ অসিবু [illegible] [illegible] (১) [illegible] [illegible] (২) [illegible] [illegible] [illegible] (৩) [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অসিনা [illegible]। [illegible] [illegible] (১) [illegible] (২) [illegible] [illegible] (৩) [illegible] [illegible] [illegible] ৩ অসিনা [illegible]।

থৌরম অসিবু চহি অমগী লমলাইগী চাকথাক [illegible] [illegible]।

(vii) [illegible]থোংদা চাকলূক থাবা :— লমলাইগী [illegible] [illegible] [illegible] ইংখোল [illegible] [illegible] [illegible] কম [illegible] চহি অহুমগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। ইমুং অহুমী মীসিং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ঠৈকক পানা [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

অমা দৈ। পুরাগী বারী অসিনা হায়। লাইনিংথৌ ওমা তাইবংমীগী অবা অনা অসি কনানা তাকপিগদগে থিরকপদা কোংয়াং অসিবু তাকহল্লসি হায়রবদা কোংয়াংনা ওমলোই হায়না রাকংলি।, মহুনা লাইনিংথৌ ও মক্না কোংয়াং নংদি লাইবুঙ্গু ওবনি, সুংতাইবগু নং-হাক্লি। তাইবং মীগী অবা-অনা অসি মতেক অমমমতদি নংতাক্লা তাক্কবা য়াজ্রে মরম অহুনা কন্ত-হৌদি অবা-অনাবু তাকই হায়বগী নমিং "বা" হায়না কৌরগে হায়হুনা য়ানাখ। মহুগী মতুং ইন্না তাই-বং মীনা ব'বু চহিগী লাইথৌ তৌহুনা লুকথা হৈকৎ তন্নবদি অবা অনা, তিনমু কত্তবা লাইমু কত্তবা অমত্তা চহি অহুদা চংবা ওমদে। য়ানা য়াচেং থাইরগা থিংবা স লব কাওবদা লাই তিমনা কানসিন-হুনা চংলকপা ওমদে। চংলবগু কোনখোং হাংদোকনিংঙৈ মত্তমদত্তা চংবনি হায়নবিরবসি মরম অসি দৈথননি। পোৎসেমলোন কৌবা পু-য়ানা য়াখোংদা থ.বা লুকথা অসিদ। হায়রমগদরা বাহৈ অদু ইহুনা তাকই। পুন্না অসিনা তাকপা মতুং ইন্না মথাগী বাহৈ অসি লুক থাবদা হায়গনি।

"হে ঈনাও বা, নংহাক্লা মকম অসিবগী কত্ত হাউদি হেন-হলবিনহু, কোকপিয়।"

ম হৈসিং অসি হায়রগা য়াথৌং থেংনা থাংবা দৈক্লি ৭ হৈক-চাংলোযদা লোইসিন্নুনা চিংলন্নপা হন্না য়েংলমদনা ইমুংদা চংলকনি। অহুম খৌরবদি চহিক্লমগী কত্ত হৌদি চংলকপা ওমলোই হায়হুনা লফিকু নোংবা পানবদা ইমাউমিবা অসিগী মরম তাকপ। পুরাসিংদা

ইরম্মী। মসিতা নত্তুনা হেন্না কুপসিন্না পাংথোক্কদবা থৌরম কয়া অমস্তু লৈরি। মতাং অসিদদি চাউরাকপা খঙ্দবা চংনরোল খরতমক নৈনবা মরম্না য়াম্না কুপ্না মরোলসিং অহুদি হাপচল্লে।

(viii) অক্তৈ লুকথা খরাঃ— বাথোংঙী লুকথা অচৌবা অসিমা লোইরবা মতুংদা য়ুম ইংখোলগী মফম কয়াদা লুক মচা মচা শিক শিক সেমহনা থাদোক্কনি। থুদম ওইনা কোং, সিংগৈ, চেংহি চফু, ফুংগা অপোকপা, থোংজিন, য়েনথা, অমাংসং, চাকসং, কোস্তুথোং অসিনচিংবা কয়া অমস্তুং মমিংতা ওইনা থাদোক্কনি।

(xi) পুম্নমক অসি পাংথোকপা লোইসিনত্রিবৈদা লাইনিংথৌগী লাইরুবাক উতং পায়না সিত্তুনা সাবা অত্তগী মহুংদা কিল্লোই মচলসিং অত্তু মফম চানা হাপ্পুনা লাংথরৈনা নৈহুন তমহুনা লাইনিংথৌ সনামহী অমস্তুং সনথোং অপানবী ২বু তেসিনগনি। লাংথরৈগী লৈপোপ মসিংদি সাগৈ সাগৈ অত্তগী হৌনবী মচা থায়না লৈপ্পে। মরম অত্তুনা লৈহুনলোন মরোল অকুপ্পা অহুদি নৈনবা অসিদা য়াওজল্লে।

(x) অহুম্না চৈরাউবগী লাইথৌ তৌবা অসি ইচম চম্না য়ুমগী মীনা তৌজবা য়াবা ঙম্মনি। লাই লৌথংপা, লাইপাউ তাবগী থৌরম য়াওরবদি মাইবা মাইবী য়াওগনি।

(xi) য়ুম্মাং কৈম্মাংবাঃ— মীসি মীনা য়াওহুনা য়ুম্মাং কৈমাংবা থোক্লবদি চুম্না য়ুমকৈ সিংতোক সেংদোক্লগা তৌকনি। লাইগী লাইথৌ অমত্তা তৌরোই। হুমিং ৫নিগী মহুংদা য়ুম সেংলবদি

চপ মান্নবা লাইথোঁ তৌহোবা য়াই। ৫ নি নংনত্রগা সজিফু থা অসিগী মসুংদা পুংসেম সেমদোকপমক নত্রবসু লাইথোগী অয়াপ্পা সরুকয়বে পাংথোকচবা আস অদুম য়াবৈ।

(xii) অসুম্ন লাইকৎপা পুম্নমক লোইরবদি ঈমুংগী মী পুম্ন-মক য়ুমলোন কৈথোরগদা য়েনসাং লানথোক লানসিন তৌনদুনা য়াম্না ফজবা থুনাই অমগী হোনবী অসি তৌনরগ চাবা থকপা তৌ-বৈ। মু খিলগী মতমদা অকক্লনা কানবা অনকপা চৈরাউচী দা কা-হুনা অনৌবা চহিগী অনৌ অপেন চাহিবসিংহুগী সু সিং সুংহুম ভুম্নবা পুনসিরোন সান্নগনি। পাক চাউবা উরিবা মহৌসা লাই-রেম্বীগী খুৎসেম্বু ইমুং মসু পুন্না য়েংশিন্নদুনা পুকনিং তেকখৎহনগনি। পাঙ্গল চাং লেংথোকনি। চীং কাবা মতমদা পাঙ্গল হস্থরম্নবদি অনৌ-বা চহিদুদা পুনসিরোন সাজেন সান্নদুনা পুনসিগী অনৌবা য়েল চোংহনগনি। মসিবু চৈরাউচাং কাবা হায়না খঙ্নরি।

চৈরাউবদা লৈবাক্কী ওইন তৌবা থৌরম

মসিদা সিংতেক সিংসং কৌবা পুৱানচিংবদা লৈপাক্কী ওইনা চৈরাউবা য়ুনিৎ অসিদা পাংথোকপা থৌরম কয়া লৈরি। থৌরমসিং অসি হৌজিকফাওবদা কাইহন্দনবা সনা কোম্নুংদসু কয়া হোৎনবিরি-বনি। থৌরমসিং অসিগী সমপৎপা মওংদি মথাগীসিং অসিনি।

(i) সজিফু চৈরাউবা য়ুমিৎকী অয়ুক্তা সনাকোম্নুংগী লোয়-সংনা (১) লাই মোংসাবা (২) ঈপুথৌ পাখংবা অমদি (৩) য়ুমজাও লাইরেম্বী অহুমগী ফিরোই ফিজাম হোংহুনা লাইথৌ পাংথোকই।

(ii) মুমিৎ অসিদা লোইসংগী মীসিংনা লাংগোলগী থোং-ডাক লাইরেম্মগী ফিরোই ফিঙ ম কৎতুনা খরুং কৎতুনা থৌনি।

(iii) লাংগোল নিংথৌগী খুকমদা মাইবা মাইবীনা চৎতুনা ফিরোই ফিঙাম হোংহুনা থৌনি।

(iv) তকং লাইরেম্মগী লাইকমদসু চৈরাউব মুমিৎ অসিদা কায়দনা থৌনি পাংথোকই।

(v) মঙাং সিদবা, লুবাং সিদবা, খুমন সিদবা লাই অহুমদা ফিরোই হোংহুনা চৈকৎ লাকৎ তমহুনা লাইথৌ তৌই। অহুগা কং-লৈপাক অসিগী মাইচৌসিংনা চহি অসিগী অক ফত্তা মতিল-মকাং লৈপাক ডাকলোনগী ব, ফৌথোক চাথোক, মহৈ মরেংগী বারোল-সিং অসি নিংথৌ, অঙম অথৌ. লৈপাক থুনাই সসিগী মীয়াম অসিদা খঙ্‌হন্নবা পাথোকই। চহি অহুগী পাউ তারগা লৈপাক মচাসিংবা পুকনিং লৌসিং ওইনরম্মী। থৌরম অসিদা পাথোকলিবা চহি অহুগী পুম্না অসিগী মমিং 'কুমবারোল" হায়না কৌই।

(vi) সজিফুগী নোংমা পানবা সজিফু লাকয়েন ত ইহুনা চৈ-রাউবা মুমিৎ অসিদা (১) খুরাই (২) রাংথৈ (৩) খুবাই (৪) মাইসকুল হায়রিবা পান। ৪ অসিগী লৈকাইরাকপা ৪ না মগী মাগী পানাগী কি মচু সেন্তুনা মাইকৈ থুংনা লৈপাক মীয়াম খঙ্‌নবা সগোল তোংহুনা থোক্‌বাগী চৈসাং অমা পাইরগা মতোম্দা ফিরাল মচা অমগা সরিক অমগা থেংতুনা ঙসি অসিদগী অনৌবা চহি অমা হো-য়ে হায়হুনা লাউনরম্মী। থৌরম অসিদগী লৌহুনা চৈ পায়হুনা-লাউই হায়বগী "চৈরাউব." হায়হুনা খঙ্‌নখি।

(vii) মাইবা লোইসংগী লাইথোঃ— সনা কোম্মুংগী মাইবা লোয়সংনা মণ্ডাং, লুবাং, থুমন চিংউ সিদব' লাই ৩ অসিগী থৌনি তৌই ।

(viii) মাইবা লোইসংগী লাইথোঃ— সনা কোম্মুংগী লোইসংনা লৈমা লৈনাউ তাবীদা ফিরোই কংতুনা স'রক থৌ।ন তৌনৈ ।

(ix) তানয়ৈসংগী লাইথোঃ— চৈবাউবা মুমিং অসিদা য়াংদৌবা য়াংদৌবী মবুথো মথেনথো অনিগী থৌগল চংলিবা তানয়ৈসং অসিনা লাই ২গী লুক কংতুনা থৌনি ঈরাং তৌই । মুংসেং ঈকোন্দগী ঈরু ঈসেং সোক্ত্না তানগী ঈসিং সিনগনি। অম্মমা পুং, মুথক পাবগী সংলেন অসিনা লাই ২ অসিদা চৈবাউবগী থৌরম পাংথোকই ।

(x) কৈকুংবা লোয়সংগী লাইথোঃ— সনাকোম্মুংগী কৈকুংবা লোইসংনা বাংগোন নিংথৌ, বাংগোন লৈমা ২ অসিগী ফিরোই হোংহুনা থৌনিরোন পাংথোকই ।

(xi) পেনা লোইসংগী লাইথোঃ— সনাকোম্মুংগী পেনা লোইসংনা মবুথো পোইবৈতোনগী থুকমদা ফিরোই মুনা কংতুনা থৌনিরোন পাংথো কই ।

(xii) লাইনিংথৌ সনামহীগী লাইথোম্ থোইদেক্রা লুনা কুপ্পা লোইসংগী মীসিংনা পাংথোকনরকই ।

পুম্মক অসি ঊকরবা থঙ্লুরবা মী অমত্তনা কংলৈপাক

অসিদা চৎনরিম্লিবা সজিফু চৈরাউবা হায়বসি চাউরবা ফুরুপ অমনা পাক সন্না পাংথোক্লরকপা থৌরম অমনি হায়দবা ওয়লোই।

ঙোংবা লৈথোং কাৎপা সজিফু লৈথুল ফুনবা:

সজিফু থাগী ৭ নি পানবা মবুথৌ য়াংদৌবা মবেনথৌ য়াং-দৌবী অনিগী লাইথৌ পাংথোকপা মুখিৎ মসিদা চৈরাউবা থৌরমগা মরী লৈনবা "ঙোংবা লৈথোং কাৎপা সজিফু লৈথুল ফুনবা" হায়বা অফ কস্ত থুনম য়েংবগী থৌরম অসি ওসিকাওবা পাংথোক্লি। নিংথেম পোকপা অঙোম পোকপা হায়দুনা লাইফম অনি লৈরিবা অসিগী মনাক্তা কোংবা তুরেলগী নোংপোক্তা য়াম্না নক্না লৈরিবা মফম অসিদ লাইথৌ অসি পাংথোকই হায়দুনা "ঙোংবা লৈথোং কাৎপা" কৌ-নৈ। মফম অসিদগী লৈপাক তোথোক্লগা লৈরম লৈরবা পোৎচৈ, তিল কাংনচিংবসু কি খংনবা অমদ হাপলগা য়োমদুনা কিসিল্লগা মাইবগী মঙকসমদা য়াম্দুনা মুমক্তাও লাইরেম্মাগী লাইসং য়োনা পূ-রক্লি। লাইফম ২দগী ঙোরকপা পোৎ-চৈ অহু থকং অমমদা হাপ-তুনা মুখিৎ ৫ নি চুপ্পা থমদুনা থৌনিপনি। মতুদা লৈরবা পোৎসিং অহু য়েংলগা চহি অহুমগী অফ-কস্ত, ফৌথোক চাথোক কয়াগী য়া-রোল থঙ্নৈ। মরেম ওানচিংবা কৎতুনা পাংথোক্লিবা থৌরম অসি চৈরাউবা মুখিৎমক্তা তোঞবসু সজিফু চৈরাউবগী তৎনবা থাবনা য়া-ঞবা লৈপাকী লাইথৌ অমনি।

কুমপারোন কৌবা লাইরিক্তা হায়রবগী মতুং ইন্নদি সজিফু লৈথুন ফুনবগী লাইথৌ অসি ইনিংথৌ ইবুংঙো নোংদা লাইরেম

পাখংবগী (খ্রিঃ ৩১ দা ফম্বাল কাখিব) মমাংদ পাল্লম্বা লৈমুং লোন-অরীবা কৌবা ঙসক্লাওবা লৈমুং লোনজ। পাখংবা হায়না মীচৌ-রোনদা খঙ্‌নরিব। নিংথৌ অসিগী সনা হাকথক্কদি কো বদা লৈথোং ফাংলমদে কংলাদ লৈথোং ফাংলম্মী হায়রুনা লৈরি। কংলাদা লৈ-থোং ফাংলম্ব। অদু মমৈথংদা লোইদাম থাবু থারোল্লরে, কুমম্ভ কুম-লোল্লরে হায়বদি কোংবদা ক্লোংলুনা লৈথোং ফাংখি লায়দুনা লাইথৌ অসি অ়াঃ লৈমুং লোনজ। পাখংবগী মতমদম্ভু নিংখিনা চৎনরমলে হায়বসি মরেক সেংনা ভাক্লম্মী। মমম অদুনা কংলৈপাক্কী চৈরাউবা হায়বা লাইথৌ অচৌবা অসি য়াম্ন কুইরবা খ্রিস্তগী চহিরোল পোক-ত্রিভৈগী অ়াঃ মমাংদগী চৎনরক্লবা চাওখংলোন থমনি হায়বসিদি মসানা তাহুনা লৈরবনি।

চৈথাবগী খোরম লাকপাঃ

খ্রিস্তগী চহিরোল ১৪৮৪ মুবা ঈনিংথৌ ঈবুংঙো কিয়াম্বনা পানবা মতমদগীদি লৈকাইরাকপা ৪বা সজিফুগী নেংবা পানবা চৈরাউবা মুমিৎ অসিদা চৈ পায়দুনা খিবাল সরীক থেৎলুবা কুমজা ভেকহৌনরে থাজ নৌহৌনরে থাজ নৌহৌনরে সজিফু লাকরেন তাইরে হায়বা কোংদোক্নুনা লাউরম্ব। অদু মুপা অমথক্কদা পুল্লপ সিন্নহুনা থৌ কাইথোকলুনা চহি অদুমগী "চৈথাব" কৌহুনা হাপ্লপা চৈ পায়দুনা লাউবা অসি তোকহনখি। অসুম চৈ পারম্বা অদু থাদোক্নুনা চৈথাবা মুপা অমা হাপ্লগ। কুম পারকপা অসিবু খোরম অসিদগী মমিং লৌহুনা চৈথারোল কুমপাবা হায়না খঙ্‌নখি। অসুম্বা

কংলৈপাক অসিদা ইহান হান্না চৈথাবা ওইথিবা মুপা অসিগী মিংবুনা হিয়াংলোই হান্নরুনা কংলৈ খীহৌরোন্দা ইরুনা লৈখি। অমুম্না খ্রিস্তগী চহিরোল ১৪৮৪ সুবদগী ওসিকঃওবদা চৈথাবা মসীং অসি ৪৯৫ সুরে।

ঈনিংথৌ ঈবুংঙো কিয়াম্বা সনা হাকথক্কুগী ওসিফাওবদা চৎনরিবা চৈরাউবা মুমিংতা চৈথাবা ওইরম্বা অমদি ওইগদৌরিবা মী ২না নিংথৌগী মাংদা, লৈপাক্কী অঙম অথৌসিংগী অমদি লৈপাক মমাংদা লাউবা রারোলদি মথাগী অসিনি।

হান্নগী চৈথাবদা লাউগদবা মরোল.—

"ঐবু সিজবা ঈবুংঙো লাইনিংথৌ নোংথৌরেল অথৌবা-ও।
নদাইরেম ঐনা পুজরকপা চহি অসিবু
নদাইরেম ঈতাও (চৈথাগদৌরিবরুগী মিং) না পুজবা কুমনা
নিংথৌ পুনসিবা, চাকগোং-ভাহোংবা,
ললহোং থুমহোৎববু থোইবা হেনবা ওইরসনো।"

চৈথাগদবা অরুনা লাউগদবা মরোলঃ—

"ঐবু সিজবা ঈবুংঙো লাইনিংথৌ নোংথৌরেল অথৌবা
তাইবং সলাইলেল নমু পোংহনবা-ও,
নয়ু তুবী য়োইনোংতা নোংতা লাইরেন পাখংব,
অচৌবা লংমাই নিংথৌ কাইনৌ চিংসোম্ব।
চিংও অনিমক্কী লোইদাম মকুমসাবু মৈন বাই তাংনা সমনা,
নয়ু নিংথৌরোল খুদিংদা কোংবা লৈথোং কাৎ

সজিকু লৈখুন ফুন থাংজিং মকোকলাং খোঙ্গাং মচৈ থাং
পাথং হুয়েন লানপাম্বনা হুয়েন লান্দা খোক
হুয়েন লম্মামি লম্মাচাউ ফানচৈ সিনাই নানি লোংবনা
খোঙ্গাং কামু চৈ সহিক খিং খি থাংনা,
লৈরক থোঙাই চৈবু খোকলাং লেংদা খোংনা চৈথাবা কুম ॥
লোইদাম কুম্বা অনৌবনা চৈকরকপা অসিদা
কন্ত-হৌদি সাবাউ লানবাউ, কল্লক মেক্লা পুম্নমক্তি
থাবৈ লেমলৈ তারম্নুনো ॥
বায়েম লাললেম খুনচিন লানচিন, মীচিন মীপাউ
হকখি সোইনাই, তিনথুং লাইথুং অয়ান অহুই পুম্নমক্তি
নদাইরেম ঐনা তাংজা লুদা খোংনা পুজরগে ॥
ঐবু সিজবা ঈবুংঙো লাইয়িংথৌ নোংথোরেল অথৌবদি
সুমিৎকুম মসোংচাউ, থাবাগুম মঙাল নাইবা
কুমজা তেকহৌনা, থাজা নৌহৌনা, পুনসি চরৈ কুই
বাঙম খো তোন সাং, তাবথোং ময়ুং কুই
লেমথোং মকৈ পাকপা, পোইরৈ খুনহোং লৈহোংবা
খুনজাউ লৈচাউববু লেপনা তাবকংলঙৈনে।"

মথক্তী বারোল অসিনা লাইরোল ওইনা বাহৈ কায়ন চনহন্দনা অয়ান-অহুই অমত্তা য়াওচন্দনা চৈথাবা মীনা লাউগনি। লোইরগা চৈথাবা মীদা মনামথুম খোকাই-বা কয়া নিংথৌনা পিথোকই। থাইনঙৈদা মনা চাউনা পিরম্বদগী অসুম অসুম পিকথরক্লুনা হৌজিক্তি লুপা ১০০ দং চৈথারিবা মীদা পিবা চৎনরক্লে।

বৈষ্ণবিজম চংলকপদগী হোংলকপা মহৈ:

অমুম্বা মতম সাংনা কংলৈপাক অসিদা চহুনমরুকা সজিফু চৈরাউবগী খোৌরম লাইখোৌ সং অসি হোৌজিক মখং কয়াদা খারম-হকপা উরে। খুদম ওইনা—

সজিফু খাগী নোংমা পানবা মুমিং অসিদা চৈরাউবগী খোৌ-রম পাংথোকপ অমা হৌজিক্তি হিন্দুসিংগী চড়ক পূজাগী মুমিং থাবা খাবান অহুদা চোং-চোংহুনা, তার-তারহুনা চৈরাউবগী মুমিং কুই-চরে। তৌরিবা খবক অসিনা কংলৈপাক অসিগী অরোংবা মুমিং অমদি তশেংনা মাংহল্লে। অহুগীর মথক্তা হিন্দুসিংগী চড়ক পূজা হায়বসি চহি হৌবগী মনিংদা নত্তে, লমদম অসিদা হৌনরিবা চৈরাউ-বগী খোৌরমসিং অসি অংতুং য়াওদবা মরম্মা মরী লোইনা চৈরাউবা মুমিং অমম্বু তাই মরম অহুনা সজিফু নোংমা পানবা মুমিংতা চৈরাউবা অসি ঈপানাং ঈপুনাংকী সেংলুবা ঈচেল অমা য়্যাংখ্রান-বগীদমক্তা অমুক হন্না হিংগৎহনবা তাবনি। চড়ক পূজাদি "চড়ক পূজা" অহুম হায়রকম থোকই। চড়ক পূজাবু "চৈরাউবা" হায়রনা মমিং খোন্দুনা চংনবদি চৈরাউবগী হৌরকখম য়্যাংহনবতা নত্তুনা অমং অহৈ কর্মাগী মকথদদি মমিং মরাংবা অমা ওইরম থোকই।

চহি মপুং কাবা ফাদবগী মতাংদদু চয়রেৎনবা কররিবা খৈদক। মালেম পুমনমক থত্নরবা খাকম অমা ওইন চহি হায়বসি (১) মাগী চহি (লুনার ইয়ার) অমসুং (২) মুমিংকী চহি (সোলার ইয়ার) মাসক-না ২ থোক্লি। মীতৈশিংনা সজিবু নোংমা পানবা চৈরাউবা

অসিদি থাগী চহিদা লাউগনি ।৹ মরমদি মীতৈগী লাই তিনগী থবক পুম্নমক অমম্ভং চৎথোক চৎসিন, য়ুম সাবা, ফি লৈবা, য়ুমকয় থোন্নবা থবক হৌবা অসিনচিংব থবক থৌরম পুম্নমকথ বান্দা য়েংহুনা লোইন চৎনবা তাক্তনি । মীতৈসিংগী চৎনবী পুম্নমক্ থা-থাগী তৎনবা, থাদি মাইকৈ, য়েক্লবা পাহুনা চৎলৈ । থা অমম্ভং থা অতুগী থা-বান, সুমিৎ মাইকৈসি অহুগা কংলৈপ ক অসিগী থুনাইদা হিংলিবা পুনসিসিং অসিগা ওন্থোক্না নক্লবা মরী লৈলৈ । তংন থানবা য়াত্রবা মরী অমা চেংনা লৈ । থাগী চহিদা (লুনার ইয়ারদা) চৈরাউহুনা থা-নবা য়াত্রবা পুনসিগী লাইথৌসি পাংথোকপা 'হায়রবসিনা কংলৈ পুনসিরোল্দ মরা চেৎপা ওইগনি ।

অহুগা থাগী চহিনা (লুনার ইয়ারনা) সুমিংকী চহি (সোলঁ'র ইয়ার) য়োগদবা সুমিং থবা ব ৎলিবা অসিবুস্থু চহি অমা য়োমহুনা চৎলিবা চৈয়োম ৭ না পাহুনা অহুম চৎলি । সুমিংকী চহি অসি সুমিং ৩৬৫ না মাই হায়রবসি লাংপুম কৌবা পুথাদা সেংনা ইহুনা লৈ । লাংপুম পুয়া অসিদা অস্থুম্না ইহুনা তাকই— "থা তলুকনা অহিংনে । থা তলুকবা নোংথিলনে । থা তলানিথোইনা সুমিং চহুম হুমফুমগাতনে ।" অস্থুম্না সুমিংকি চহিবু (সোলার ইয়ারবু) নিংথিনা কুপ্না পায়বা অসিনা সুমিং স্থদনা সুমিংসিং পুনসিন্নগা থা অমা মুরবা মতমদা সজিফু থারোয়বা হায়রহুনা সজিফু থাদা অনি লোন্দুনা পালহল্লি । অম্নম্না থারোয়রবা অসিনা থাংহৌবা সুমিংসিং অত অমুর্ক অমুক ফুরুংতুনা চানহল্লি । মসি হিন্দুসংগী চৎনবিদমু থ থান

অনি পানবা, খা অনি পানবা অহুম চৎনরিবসিনি। মুসলমানশিংগীসু থাগী চহিদ (লুনার ইয়ারদা) থাবান কুপ্পা পাহুনা লাইগী লাইথোৌসিংগী মুমিং লেপ্পরিবসিনি। অসিগুম্বা থাগী চহি অসিবু পাখংবগী চহি হায়নসু অহনসিংনা কৌনৈ। মুমিংকী অসুবা চহি অসিবুনা সনামহৌনা পুবা চহি হায়নসু কৌনৈ। য়াম্না থিজিল্লবা মীওই খয়নদি মীতৈনা চহি পাবসিদা মুমিং ৩৬৫গা পু' ৬ মা চহি ওইবসি কাওবদা সরোক খাংবদা অয়ুক খাংবা, মুমিং মুংবদা খাংবা, য়াচংবদা খাংবা, নোংয়াইদা খাংবা চহি চহিগী তৌরম্লিবসিনা চহি ৪ সুরগা (৬×৪=২৪) পুং ২৪ কাহুনা নোংমা চাওথোকই হায়বসি খঙ্নবা কাংলোয়ি হায়না খুদম কয়া পীনৈ। অহুগা লাংপুম পুয়াদসু চহি ৪ নৈরগা নোংমা হাপকৎলকপগী কাংলোন খঙ্লম্মী হায়বগী খুদমসু নিংখিনা ক,ই।

মরম ময়াম অসিনা মুমিংকি চহি (সোলার ইয়ার) অসি নিংনা পাহুনা চৎলবাদ থাগী চহিদা করিমত্তা চিংনবা নৈতনা লাইগী থৌরম অসে'বা চৈরাউবা অসিদি পাংথোকপদা হেম্রহুম বাহঙ্খোক নৈবা হেনগনি। সজিফুগী নোংমা পানবা হায়বা মুমিং অসিদি নৈসেম্নকপগী বারীদা তাইবংপানবা ময়ুনা ভবং পাউ পিরকপা। মুমিংনি হায়হুনা "ব'চেৎলোন পাথুপ" কৌবা পুয়ানসু হায়রিবনি। মুমিং অসি লাইগী সেংলবা মুমিং অমসু ওইহুনা লাকলবনি।

অহুগা সজিফু থাগী মাচোংথা (বসন্ত ঋতু-স্প্রিং সিজন) হায়বা অসিদা পুক্লিং হনবগী হসক ওইবা মথৌসা লাইরেম্বীগী

মায়থোং মকা লাবা মতম অসিদা অনৌবা চহি হৌবা হায়বসি কংলৈপাক অসিতনা ভৌরা নত্তে। মিসর লৈবাক্তসু "তেম-প্স বাঙ্হনা নাচোংখাবা (বসন্তদা) চৈরাউহনা চহি হৌবাগী ... । পরিমাণ পুক্কিং হবা নাচোংথা অসিদগী চহি হৌই। নোংচুপ্পালোন খঙ্লবা মখিং চৎলবা তোলেমিগী কুন্নাপোলদসু নাচোংথাগী পুক্কিং মুং অয়ুক মুংথিল মুমিদাং সাংবা চপ মান্নবা মতম নাচোংথা অসিদগী চহি হৌহনা পাম্মী। বৈদিক যুগতসু অয়ুক মুংথিল মুমিদাং সাংবা চপ মান্নবা বসন্ত ঋতুদগী চহি হৌবা চৎনরম্মী।

বারোইঃ— অসুক কতক্লবা কংলৈ খুনাই অসিদা ঈপা ঈপুসিং অহুনা তসেংনা লেমজনিংঙাই ওইনা লিখিরম্লবা চাউখৎলোন অমদা যাওরবা সজিবু নোংমা পানবগী "চৈরাউবা লাইহৌ" অসিবু হিন্দুসিংগী থৌরম মায়বসু নত্তবা, "চড়ক পূজা গুম্বা মুমিৎ অমখা নপসিনহনবা হৌরককুম মাংহনবা অসিদি তশেংনা কংলৈপাকী খুনাই অসিগী মাংকখনি। মুমিৎ অসি হোংদোকুনা ঈপা ঈপুগী ঈপানাং ঈপুনাং কায়হন্দনা সজিবুগী নোংমা পানবদা চৈরাউবা অসি হৌরক্লিবা মীয়োয়া অয়ুক ... লেমজোকুনা চৎনকখোকই। মী লিসিং কয়াদি মুমিৎ অসি চুপ্পা লাইহৌ তৌনবা ... নত্তে। মসিদা মনিপুরগী লৈচ্যাক লোইসংনসু মুমিৎ অসিগী ... য়াখা অসি য়েংবিহনা। কেলেন্দরদা হাপ্লিবা অমদি ছত্তিনচিংবা থা... হুনা লাইথৌ অচৌবা অসিগী মতৌং মাংহন্দনা থম্বা হোৎনবদা মখেং লিখিরবদি "চৈরাউবা" হায়বা ঈনাং মাখি ... চুপ্পা ... হায়না পুনখৈ। মুমিৎ হোংদোকখিবগী ... কংলৈপাক পুখিবা লৌনখিবা চৈরাউবগী থৌরম অসি মায়াখনা কাংলোন চুপ্পা তৌনরে। কাংলোন খঙ্নবক্লিবা অসিবু অসেংবা মুমিৎ অসিদা হনজিন্দুবা লাইথোক্লবদি অচুম্বা কাংলোন চৎনরক্কনি। মসি ঐখোয়না থৌবা কনা হোৎনোক্কদবনি। □

ইউ: এল: এ: গী

কোংখুরবা লাইরিকশিং :—

১ । নুমিৎ কাপ্পা (পুয়া)

২ । মসিনা ইস্কালগী বারীনি (শৈরেং)

৩ । খুমন শৈরোল (পেনা অশৈবশিংগী

৪ । খোঙথাং (খা ৩ গী চেকোং)

জর্নেলিজমগী সেমিনার পেপর—

প্রেমতা লৈরিবা